
সেই হরিণ



উইলিয়ম সারোয়ান

কৎচবা


লাইরৈবাক্তা ক্ষৈত্রবী নুংশিরবী ইবেনবোক

৺পেমচৌবী দেবীগী খুয়াদা –

Name of the book INEEN

A compilation of Manipuri poems

By- Okram Nilkantha Singha



অক্লোঙ্বা : অইবা মশা

হকপুম্বা   অইবগীনি

অহাম্বা ফোঙ্বা   জুন, ২৭, ১৯৯৩

মমল লুপা ২০.০০ (কুনতনি)

নম্ফম   মৈতৈ কামাখ্যা প্রিন্টিং প্রেস, রূপুর, শিলচর।

হায়জানিংবা খবদং

পীকপ্রবা অমদি উতাই-রাতাই চাত্রবা বাহৈ খরনা নংদব-মখৈ পাংই ইশল্লগা "ইনিন্" মীংথোনদুনা পুথোকচবা তপা তপারবা শৈরেং লাইরিকমচা অসে তশেংবমক্কী হাননা যাম্না খল্প নৈনবা অমদি—শেম শারগা থোকখিবদি নত্তে। তোঙনা তিম্নকবদগী ফংজরকপা মতিক ময়াযগী ইনিন্‌তনা "ইনিন্" অসি পুথোক্চখিবনি।

আসাম মণিপুরী সাহিত্য পরিষদকী হৌজিক হৌজিক সভাপতি ওইবিরিবা অহল ওইরবা শ্রীযুক্ত উসম্ দুর্গবিহারি সিংহগী নুংশিববা বটৈ খরনা যম্মিরেন ওইরগা ঐগী ৎম্বেংক্লা নুংশিজবা কাছ'ড কালজকী ওজাড রঘুমনি সিংহনা শোগং-পিখিবা বানান অমদি প্রুফ যংবনা চিঙ্কবগী বাবিমনতনা লাইরিক মচা অসে পুথোকপ ঙম্জবনি।

ওইনাম নীলকণ্ঠ সিংহ

মায়প পানাব

হীরম	লামায়

পঙ্গৌ ওক্‌পা

ঐনা নহা ওইরিঙৈ,
তাইবঙ ইরাং খঙ দ্রিঙৈ,
ইমাগী খোম্‌লাং তবু থক্লিঙৈ,
তাইবঙ চিঙ্গাক হৈত্রিঙৈ,
পঙ্গৌ নঙ্‌না অপোক্‌পা
নঙ্‌গী ভম্পাক্‌তা য়োক্‌পিরকপা,
শীংথম্‌দ্রবা লমন্‌বু ভোন্‌খিদকে ॥

কোরৌ মৈশাঙ্ লাংখিনি
অইঙবা মালংনা যংখিনি,
নহা হন্‌গা শোকখিনি
ভখা মীৎযেংনা উখিনি
পঙ্গৌ নঙ্‌গী পাম্বোম্মা
কোন খিবা চেৎনা থোইনা,
শীথাদ্‌না লোইবোইদকো ॥

নবা পুমনুম, চাঙ্গিরক্‌পদা
মালেম মাবু উরকপদা,
মেরাগী থাবল অহিংদা
থাজা মাবু উকবদা,
শক্‌থঙ হন্‌গে নিঙ্‌তুনা
নবাগী পাম্বোম থাঙ্গৎতুনা
খুদোন বীবু থিন্দুনা
থাজা মাবু য়েংতুনা
তু-তু-তু লাউখিবা
ঐনা তিঙ্‌কক্‌ যেংখিবা
কবম্বু কাউসিগেকো ॥

তাইবঙ চিঙাকু তম্মকুপদা
লাইজা ঈখো ন খিবদা
পাহী নঙনা নোংমা
কুকুবু কোযমা মা
লাইডা ঈনিক ইনখিবা
কালবা চিন্ বান যেংডুমা
তুমা তাইবঙ চিঙক ইভবা
তপা তপা খঙকুখি ।
বস্মোক্মা খুংনিইহদা না ॥

ডসিদি তাইবঙ শবঙে হে ডক্র
পাখ শনী কাবকাল
খেঙান নাইতোম থাডুকাল
তাইবঙ লন্দা যডব ন
তবা-জনা চৈাথ ।
বাখল পাংলম পোসব ।

প পুসি লম্বী চংদা
হন্না যেব উনকন্দা
পাস্থা নখোয়ঙবু লিঙনী
অপোকপা খঙহন নেনই
চঙ বিনবট পপাও
নযলদে যপরো
নপা শ । খনবীগুলা
ক বেল্ল খঙ দবান হাযঙনা
লেন নৈনতা খোল্লাড খিব
ডাব পম্মাকা তপোকপা ।

মীৎতাংবো

নিপা অমা থবক্ শুরি
অচংপনসু উম্বি
উনা উনা মহংবিবি
কৰি থবক শুদিন্নি ?
অশুবনসু মথুম্মি
এ অসুম তৌরম্মি
অনা অদো বাবী শাই
থঙ্‌না থঙনা হংনবকায় ॥

তোশ্‌নি নংগী উবদি ঐবদগী
কনানা মাবপু হংবগে ?
নংশু পাখঙ্না কোযামা মাং
অসুম হায়না চংপা তোয়
বাহং পা ইহং তৌরদে
কনানসু হংবিদে
মমা তোক চৎচৈ
কন্না পাযৈজ নাগী চৈ ।।

অচুম্ববদ থঙ্‌বিদে
ঐকদৌঙৈদসু খিবিদে ।
কনানা মীৎতাঙ্‌বনো ?
কনানা তাঙ্‌দবনো ?
উনা উনা উদবা,
থঙ্‌না থঙ্‌না থঙ্‌দবা

ঐ খায পুম্নমক্ মীংতাঙ্বনি
মীং লৈনা লৈনা ঊদবনি ।।

তুম্নিন্ শৈবনা মকরে
খঙ্লবসু হায়ফদরে

যাংকবগা যেন্নবা তাবা
যাৎত্রেগনা অফশাবা

অচুম্বদি হায়ফদবে
হায়বগনা নীচঙ তাবে

অচুম্বু কিনরে
মাপী নীচঙ লোৎখবে

অকৎপদা লৈতোবা
অতোপ্তবদা লৈহাপ্লবা

অনীগি খেন্নবদি মহেন্বা
অনেম অন্নাংবু লৈহন্বা

হংপুবগনা খঙ্দে মহায
অবেপ্পদা যেন্নবা তাহ

খিগংদিনবা শেন্নক্ত্রে
খিগংপগিসু মহৈ লৈত্রে ॥

মীথা পোন্দে পুক্নিঙদি
শেইদবা খন্দে মসিদি ।

চীনবান্ থোঙ্দা অমনি
চিনগা পুক্নিঙগা লৈনবনি

খঙ্দে লাক্কে হায়গনু
শমথাক্তবু তৌগনু ।

অচুম্বদি লোংলি
থম্মোয় হুংদা থুপলি ॥

মীৎত ঙবীদি শান্নরি
কেকু লোৎপীনা কান্নী
অউবনা উদশাবা
মাইপুন্‌ফিনা কিশিন্‌বা
তাইবঙ খোযগী কেকুলোৎপীদি
হাংদোক্‌পা লৈতে মাযথুমহিদি
পুম্লি নমথাক্কী মাযথুম্না
শান্নম্রি ওইদবনা 'নুম্মা ॥

তেন্‌থ্রবা তাইবঙ খোঙ্‌চত্তা
ওইজা ওইথক্কী লাল্‌ক্লা
শেনদো ম'ঙবু তান্নদা
অচুম্‌ অরান খিত্রবদা
মীগী মঙ্‌খিনি থল্লুদে
থল্লুবস্ত সন্‌নদে ।
ঈচেল্‌ ফন্‌বী তুরেল্‌দি
তাইবিরম্‌দে তোর্ব্বান্দি ॥

তোরৈ কয়া থায়হুনা
ইথেক্‌ কয়া নাইহুনা
চেল্লি পুন্সি তুরেল্‌না
অরেপ্পা কৌবতা নাইদনা ।

কনাবুম্ব চ'ইরম্‌দে
উনা উনা উরম্‌দে
সে মাইনি হায়রবম দে
ওইজা ওইথকু হুংলম্‌দে ॥

'সুম্না পুন্সি ঈচেল্‌দা
নোংমা নোংমা হৌখ্রবদা,
থৌদোকু কয়'বু লাম্লগা
পুন্সি কৈথেল্‌বু কারম লগা
খঙ হাংনা যৌরকখি
অরোইবা ঈয়াইদা তিনখি ।
তাইবঙ শক্তম্‌বু হংও কৃখি
উরক্কে হায়না প'উথুম্‌খি ॥

—X—

অঙাংহল্লগী খম্মাল্লবু উখিবদা

কুন্‌গনিখোইগী তাংকক্‌নি
খোয়থম্‌লবা মতাংনি।
উক খুদিঙ মচু ঙাক্‌নি
লাঙত্‌রুবা মঙংনি।
পুক্রি কোয়পাই পাইবনি।
শাথীখ্রবা তাংদানি।
তান্‌জা অসিমকত্তদা
উখি খম্মাল ঈথক্কা॥

পম্বোগী ইংখোল্‌ চাইকোম্লুংদা
চাউরবা পুখ্রি ঈয়াইদা,
ঈশরা নাযতোম্‌ শাংপিনি
চেক্‌শিন্না শাংপি খম্মালনি।
পিক্‌লিংগুদ শক্‌হন্নীনি
মতারোইশিংগী কল্লক্‌নিঙায়নি।
ঈনশাই ই চমগী য়েংনফম্‌নি
খোইমু কয়াগী খোযদাফম্‌নি॥

পিক্‌লিঙুদগী শোম্নবকি
শিংদেলমচু ঙাংখি।
'ঙ্গ ঙুকো মিংত্তা লক্কাসে
কন্নবু খোক্‌লগবা খঙ্‌দেনেসে।

রা'বিদকো সনাহুল
　　　　মুংশো খাৈজেদো ইচেম্ হৈল।"
অনুম্ হায়না মিপাইখি
　　　　মচেম্ শিংনা শোয়খি ॥

লৈরাং পুমকক্ চাউরক্খি
　　　　লৈশ্যা থাজো চঙক্খি
শিঙেল্ পুরিঙ মুঙোলকই
　　　　মওম্গী ঈরাংদা চঙক্ই।
খোইমু শঙ্গ্না নিতারক্খি
　　　　নোংমগী ভঙনা পাইরক্খি,
পম্বৌ ইংখোল্ লালক্খি
　　　　থম্বাল মাদি মিপাইজখি ॥

শাওঙ্-শদা কজবীনি
　　　　লৈতেংগী মাপান্ তাংদবীনি
লৈরাং নদোম্ কজবীনি
　　　　মীৎকপ্ হোংবা য়াদবনি ।
মমাঙ্পাদা খোক্খিদ্রি
　　　　শকশেম্ অসি উখিদ্রি ।
অডাংহললগী রাখল্নি
　　　　হৈনা শিংনা শেম্বনি ॥

যেজকনু শুম্লুৎপিনি
　　　　সোনা লায়না চঙকনি,

উংজ্ঞানবা পেʼক্কনি
ইদোম ইদোম্ নোক্‌নিংগনি,
মখুম্ মখুম শোলক্কনি
বাখল জলা চোইরক্লন ।
মতম্‌দনা শেংজহৌ
লায়না লাইশক্ খঙজহৌ ॥

ঈদা তেʼংদা চঙ্‌খিবা
খঙ্‌হোদনা চিক্‌খিবা
থম্মোয় মচু শঙ্‌খিবা
কৈদোউঙদা কোকত্রবা
কাউঙম্‌দনা লেলক্‌পা
অমম্ভ অস্তম্ হৌরক্‌পা
নিঙশি লাযনানা বাহল্লে ।
পুকিঙ ঈরাং হৌহল্লে ॥

শৈশব হেংবা অপোইবা
করম্বা মতমদা লেংঙম্বা
নঙ্‌গী থুংশাহৈবা লাযেক্লা
থরায পান্‌বা মযেকনা
নাঙদা উরি তত্তনা
লমাই থুদিঙ লা-না
থুদক্কা থোক্‌খিবা থোদোক্‌কুম
কোরৌ মাক্লা থোক্‌লক্‌পহম্ ॥

তাহবঙ থশ্বালবু যেঙ্‌লগা
মানবা চাঙদম্‌বু থল্লরগা

নিঙহন লক্শি রাখল্ ঙসি
ফুঙ্নহল্লি থম্মোই অসি
ঈথক্ ঈপোম্ হৌবক্খি
চেংলৌ শকক্নম্ উরবখি
রাখল ফীতুপ্ হাংদোকখি
হোৎখিবা লমদা যেংঙকখি ॥

তম্মুম অম্মম খল্লবগা
রাখল অতিযাদা তাঙকবগা,
খঙ হাঁদনা শুমতংখি
নঙগা খুংশেমগী শম্লকখি ।
লাইশেকপা নীঙথৌগুম্বা
ঐস্থ ঙংচানে অড়ুহমা
মসা লৈতব নঙণী খুংশেম
শিনথক্লাগনি নেংঙা মালেম্ ।

খঙঙাদ্রবা লানগী চৈথং
পাঙথবদ্রবা পুন্স ইতেং
লাংজনলক্পা তিল্লিংঙ
মাহকৈ শিংগা চক্লিংঙ
কবম্বা শরক্তবু যেক্খিবা
থম্বাল চেংলৌ শেমখিবা
তেমখিন্ ওইনা লাংকখিদা
মৈতৈ সাহিত্য অতিযাদা ॥

নঙগী ঈতোপ তোপপা খুযেক্পা
থরুয পানবা শকতম্বা

নঙ্গী নগুনবু তাক্লি
মালেম্ শিন্না ঙাগৎলে ।
মপা লৈত্রবা নত্তাক্লি
অনৌবা য়াওন্‌পুৰক্‌পনি,
কাইনথঙবা থঙ্ঙক্খি
মায়াম্না নঙব্ শোন্নক্খি ॥

শনাগলম্‌দাই শজিন্না
তনিক তনিক ঙানবা,
মোংপোক অতিযাগী দ লৈতে'ন
শান্দম্ নিঙায় লৈতব'ন ।
নঙগী সহিত্যগী অতিয'না
শজীক থাবাহল ঙান'বা
শক্না শোন্নবি মালেম্‌না
অতৎ অথম লৈতনা ॥

—X—

লোক্তাক্‌পু উরুবদা

হাদা লোক্তাক্‌ নিঙখিবী
নোংপোক্‌ লম্‌দমগীদি অথোইবী
ইঙ্‌না তপা পুক্‌ফবী
ঈরোল্‌মুংগী শকহেন্বি
মৈত্তৈ লমগীদি মিংশেল্‌নি
মালেম্‌গিদি কল্লক ফমনি
করম্বা লাইরেম্বীগী থুংশেমনো?
মপা লৈত্রবা শকুফম্‌নো? ॥

মেরাগী থাবল্‌ অহিংদা
অঙৌবা ফিজোল হোংবদা,
মাহৌশা লাইরেম্বীনা ইকাইজে
নঙগী নাত্তৌনা মহেনজে
উকবা কযানা কল্লকপনি
মীৎফম্‌ হোংবা য়াদবনি,
শৈশৎবা কয়াগিদি বাখলনি
শৈশক্‌ কয়াগী হৌরক্‌ফম্‌ন ॥

অপাম্‌ মুংশিগীদি হৌরক্‌ফম্‌
মোইরাং কৌবদি লম্‌দম।
লোক্তাক নঙনা মমোমনি,
লম্‌দম অসিগী থবাযনি।

শৈরেং কযাগী মতাম্নি
হৈনা লিংনা শিঙথাবনি।
মালেম শিন্না শোন্নবনি
নঙগী মঙনুঙমা হেনব্নি ॥

নঙগী তোর্বান্দা লেপ্তুনা
য়াথং কয়া থন্দুনা,
শৈশক্ তম্‌গে থঙ্গবা
কোঙথোক্পদি ঙম্‌দবা
কবদ্বা য়াহৈনা শিঙথানি ?
নঙনতন্নু হেনবনি
য়াথং ঐগীদি মাঙথরে
নঙগী ঈরোলচুংদা তিন্‌থরে ॥

খোইরাং থোইবী অথোইবী
পুক্‌চেল্‌ অনি লোঙদবী,
মৈতৈ চন্নু শক্‌হেনিব
অচুম্বগীদি লুচিংবী।
লোক্তাক্ নঙ্‌তনা থঙ্‌হোই
মুংশি য়াশক্ তাহোই,
নঙগী ঈথক্ মপান্দা
লেম্লৈ ঙাবু তানবদা ॥

নঙগী কোলোই মিংথৈদি
মশিঙ নাইদে শোন্নবদি
লোক্তাক্ নঙদি লাইরেম্বীনি

মৈতৈশমুগীদি লৈশোংনি।
লোক্তাক্ নঙদি মৈহোৌরোম্নি
পুম্নমক্কী হৌরক্ফমনি,
নংগী লাইঙম্দা তাংজবিনি
লমদমসিগী ময়োম্নি ॥

মৈতৈ লৈচংকিদি হৌরক্ফম্
মালেমনদি থঙনফম্
নঙ্গী নপান্ তাঙজবনি
সনা লৈবাক্পু য়োক্পিনি।
খুনাই কয়াগীস্থ হৌদোক্ফমনি
চীং তম গী মমানি
লৈপুন অমত্তগী মচানি
নঙ্তনা থঙ্বনি ॥

নঙদি মীচঙ্ নাইদবিনি
পুম্নমক্পু কোন্নিনি,
নঙ্গী নখাদা য়োক্পিনি
চীং-তম অমত্তনি।
কনানস্থ হেন্দে
কনানস্থ নেম্দে
নঙদি পুক চেল্ হোঙ্দ
মীচঙ্ মীখাই নাইদে ॥

নঙগী নীংথৈ লোৌহ্নবা
শৈশক্ কয়া তম্হনা।

নঙ তবু শিঙথ'রগা
কংলৈলোম্বু পুথোক্লগা
মাইচৌ কয়ানা শৈদম্থিবা
মালেম্ শিল্লা কাওথিবা
নতীক মপা চাদবনি
নঙ্নতবু মহেন্বনি ॥

লংহৈরক্তী লাইরেম্বিনা
নঙগী শকলেনবু উক্লরনা,
বল্লক কণ্ঠাঙ মথেশাং
কাউথোক্থিহুনা মথোইদাং
নঙ্গী ওম্পাক্ ঈয়াযদা
অহিং ত।ঙ্লৌ অথেঙ্বদা,
থেক্লা নৌনা জগোই শাখি
হয়াউ মথোং কাখি ॥

শরী পাম্পোম্ কনবদি
পুবেম্বা বোবী অঙম্বদি,
লাইবম্বী মহাবপু কাহুনা
তালোয়শিংদা চন্দনা
খম্বা থম্মু লাক্খিবা
থাংজিঙ্ কুমৈ হৌখিবা
লোক্তাক্ নঙ্দি উরমগনি
রাজি বাথোঙ্ খঙ্ঙমগনি ।।

লোক্তাক্ নঙদি শক্হেন্বী
অরাং নোংপোক্কিদি অথোইবী,

নঙ্গী ঈথক ঈয়ায়দা
ফুমাল্লন্ চীঙ্গদান অতাউবদা,
শান্নজরি মনিঙ্ তম্মা
শঙাই কৌবি মগোম্না
কুমৈ অসিবু য়েংজবনি
পুন্সি নহৈ য়ান্নবনি ।।

মীংফম হোংবা য়াত্রবা
মহৌশাগী কুইস্মন থল্লনা
মাদাম্তনা কজবী
খুৎশেম্ মতেং লৌদবী
তাইনঙ্ পুক্লিঙ্ হুম্বিবী
চেঙ্লৌ শক্তম্ নিঙ্থিবী
নঙগী নশাইগোন্দা চাউজগে
লম্দম্ অসিদা পোক চগে ।।

চৌরোন্ মাপন্ বাংমলান
হিংবদা ৱারবা পুন্সিলান্,
লোনথোক্লবী চেক্লাগুম
পোনগী মন্নুংদা লৈবগুম
শিঙ্থানিঙবদি কযানি
ৱাখল্না লাল্লদি ফংদবনি,
ৱাহৈ ৱাতা হৈত্তবনি
শৈশক্কে থল্লুবদি অৱাবনি ।।

লোক্তাক নঙ্বু য়েংলুরগা
থৌদোক্ কয়াবু নিঙ্শিংলগা,

থঙ্‌হোদনা হল্লক্‌খি
রাখল্‌ ঈথক্‌ হৌরক্‌খি ।
থম্মু মাগী রাখল পোৎলুম্‌
পুঙম্‌খিদে লাইর তয়ুম্‌
থম্বা মাগী রাখলদা
রাজখিবা কয়াদা ।।

থম্বা থোইবীগী পুন্সিনা
লোংমগী লাইশোন্‌ ওইহুনা
শক্লবি মৈতৈ পুম্বনা
ওসি ফাওবা কাউদনা ।
লোক্তাক্‌ নঙ্‌বু উরুবদা
রারীসিবু থল্লুবদা
তিল্লবি মীপুম্‌ থুদিঙ্‌না
ইরাং লম্‌দম্‌ ওইবনা ।।

অপান্‌ মুশিগীদি তু নফম্‌
মুংশি রাশকপু লৌনফম্‌,
শাবি শানৌ কয়াগী
নিঙোল্‌ পুক্রী হুবগী,
পুন্সি লম্বী থিরক্‌ফম্‌
অপাম লমদম, থুংনফম্‌ ।
অরা-অনাগী কোক্লফম্‌
হরাউ মীনোক্‌ তানফম্‌ ।।

মনিঙ্‌ তম্না শাৎচবী
থম্বাল্‌ লৈরাং শকহেন্‌বী

লৈরাং মখোয়দি শঙ্গুমি
নোঙ্গা খেনা শাংচবনি,
মালং শাফু ফাংবদা
ঈথক্ ঈপোম্ হৌবদা ।
হাইনা হুম্না শাংচরী
লোক্তাক নঙ্দি নোক্চবি ॥

—X—

অফা-ফংঙো

খেবু পায়হনা শানফদ, যুম চাকনি ।
ইমা ঐ চাক্লাম্ম ঙাইখো ইবুঙো ঙাইহাক্তা,
শিঙসে ইচাক চাত্তবনি ।
লীমা চীক্তুনা শিজনি শান্নাগন্থ নাক্তা,
ইমা ডাক্তার বাবুনা হায়বদি, হুদগী হীদাক শেম্বনি ॥

-X

নোংমা শজীবুগী বরাক খোঙনুংদা

নোংমা বরাক খোঙ্‌চুং অমা
ইনিন্‌ নিন্‌থি মুংশি ঈশৈনা ।
অথাপদৈ তোরৈ তাম্না
ওন 'থাক্লনন্থ লাম্মা
শক্‌লকৃথি খোনথা নৌনা
পাম্‌জরবা শৈশকুনা
হা চেক্লা মুংশিথি
খোঙ্জেল রাংনা খোংলিথি ॥

তোর্ব্বান অসিদি ঙলি
তোরৈ শিনথি ঈশৈসি ?
ঈথক্‌ ইপোম কারক্‌থি
থম্মোয ঈরাং হৌরকথি
থঙ তন্দনা লংকথিবা ইরাংনি
থম্মোয়দা মম্মি তাখিবনি
কোদোইঙেদন্থ থোক্‌খিদ্রিবনি
অঙকপগি মতৌনি ॥

অচুবু থল্লবদা ইকাইজৈ
মঙ, মঙ, মথন্নৈজ
থম্মোয়বুদি থঙ্‌বিদে
কনানম্ভ উবিদে
ঐগী ইতোবু উবিরমগদ্রা

তুংশি পাউজেলবু য়োরম গস্রা
লৈখোক্লক্তা চীক্খিবা
থম্মোয় লকা কাওখিবা ॥

ঐগী ইরাল কবিনো
করিগী নঙ্না নোক্খিবনো
উরম্ত্রবগ ফজম্গনি
শৈংঙ্মত্রবগু নিংঙম্লাহদবনি
অরাবগী মশক্নি
নহাল্মখৈ থঙ্ঙম্দবনি
মহাঋষি কন্বমুনি
কাইনথঙদা থঙ্খিবনি ॥

ভঙবৃপনি অঙবৃপা
তম্মুদনমু ফংদবা ।
শীন্দম সঙ্দা তম্মুরবসু
চহি কযা মাঙলুরবসু
পুন্সি চুপ্পা লাইনিঙ্বসু
মালেম্ কোয়না থিরবসু
কংলোইকো ফংলোই
তুংশি চৈনাবু থঙ্খিরোই ॥

নিংশিংলকই ঙসিদি
মাইকেলগী বীরাঙ্গনা কাব্যদি
শকুন্তলানা বাজখিবা
তারানা সোমবু নিংজখিবা

ঈকাই-ঈকি বাংমলান্
ওন্থোক্হৌইদকো থুংশিলান ।।

হিমালয়গী চৌংথক্তা
বাংলবা নৈংথক্তা
বানা খাঙজখিবা কুবেরনা
মুংশি মাবু নিঙ্শিংহল্লা
নোংবুদ্দূত শেমখিবা
অবা তেংথাবু থাখিবা
কালিদাসকী মেঘদূত্তা
রবীন্দ্রনাথকী শৈশক্তা ।।

কিকৈ ঐদি কিকৈ
হুনি খঙনা মপাম কৈ
উববুদি উদবনা কৈ
উক্রগনা হেল্লা নিঙ্কৈ
লাঙ তক্লবা মওঙ্নি
লায়না লাইশক্ তাক্তবনি ।।

ঈযাযদা শাৎপী থম্বাল্গুম্
ঊনা ঊনা ফংদবগুম্
মুনা মুনা য়েংখিবা
কয়া বানা খাঙ্জখিবা,
শিঙেল পিয়াং হৌথবা
তিঙক্ তিঙক্ য়েংখিবা
কন্মন্থিদকো পম্বৌ চৈরাক্
শাথিদকো তাইবঙ্পথাপ্ ।।

কোয়ৌ মখেক্ হুন্দোকখ্রে
অয়ুক্কী লীক্লা তাকখ্রে,
মালেম্ মৈশা জা'ংলক্লে
অহৈংবা থম্মোই কংলকলে
লাঈজ্জা ঈথ্ক মাঙ্খ্রে
থম্মাল্ লৈকা কেমখ্রে
হুংশি তা'ন্থা তাখিদ্রে
ঐগী থম্মোইসু কায়থ'ব ।।

পুন্সি ঈচেল্ তোর্ব্বান্দা
লেঙ্দবা পামেল্না তুপ্রবদা
লৈরেই কাযাদাংফম,
থবায় চেক্লাগী তুঙ্নযন্
রাথল্ অসি থল্লু দা
ঙাইয়ক্খিনি ঙসি ফাওবা
লাক্খিগনি শজীবুগী অযুক্তো
তারক্খিগনি শৈশক্তো ।।

—X—

তাইবংগা—মণ্ডলানগা

ঙবাং মুম্মিদাং হায়মৈ
শৈরেং অমা ইবৈ
পুখংলক্‌উ হায়রি
সম্মেলোনগী ডায়রী
পুখোকনি হায়রি চাংয়ং
শৈরে, মযাম পরে, পাব,
চাংদম্‌নগনি পাউজেনখি
আকাশবানীদা শাউখি ॥

নোক্‌নিঙ্‌বনা ঐদি
তাইবঙ্‌ কৈথেল্‌বু খন্নবদি
কৈথেল্‌ 'লক্কা শৈদম্বা
ইয়াঙ্‌ভৈঙদা পেনা খে্‌বা
স্বর কুল্লিঙদা বসন্তরাগ
য়াবোইদকো পাক্‌ পাক্‌
মঙলান্‌গা তাইবঙ্‌গা
অভিযাগা-মালেম্‌গা
অমনা অমবু খানদে
কনানা হেন্‌বনো খঙ্‌দে ॥

থম্মোইবুদি মউইদো
একাস্ত্র কৌবা কোল্‌দো
কয়াং অতৈস্ত ছমগায়
মেশিন্‌ মাগী উনিঙায়

রাখল্ মহাকৃজি লোৎলি
যন্ত্রহুনা তাকুলি
থিরি অহিং ময়ুংথিল্ খায়দনা
নাপল্ চাউরা বৈজ্ঞানিকনা
পুকনিঙ্ মহাক্পু থিদোক্কে
লেবোরেটরিদা পুথোক্কে
কেকু লোৎপি শান্নরি
ওসি কাওবা য়্দরি ।।

পাইজথো রা‌ংনা থাক্ থাক্
শেলী নঙ্গী স্কাইলাক্
কুম্থরকুথিগনি শোয়দনা
কাউথোক্পী য়াবোই চেন্নাহুনা
মালেম্সিগি ইচা-ইশু
রাখল্ অভিযাদা তাউজরবশু
শৈশক্থি অন্নম্ হায়নবা
রাউসাবার্থ কৌবা কবিনা ।।

ঐস্ত 'শুয়া লেল্লিপ্তৈ
তাইবঙ্চরা তাল্লিপ্তৈ
ইশাবু ইশানা কাউবিপ্তৈ
তাইবঙ্ চৈনা খাঙ্লিপ্তৈ
পুন্সি শৈশক্ শৈরেংবা
অরাবনি অরাবা ।।

-X

কোকিল

মালেম শীল্লা কাওরবা
শৈরাংবা কান্নানা শৈশকপ্রবা
নঙ্গী নতৌ য়েংবদা নঙ্ঙে
কুচু লুদে হান্নবদু থোক্কে
নোংমা বসন্তগী অমুক্তা
ৱাংলবা ঊশা থক্তা
নঙগী 'কুহু' খোঞ্জেল্দ
শুম্হৎপ্রবা কয়াদা ।

তোরৈ সাংলবা ঈরিক্লদা
নঙ্গী মিরবা খোঞ্জেলদা
পুক্সি হিহোবা ঐদি
পেন্না তাজগে ঙসিদি
অরা-অনাগী তাইবংমি
থম্মা থবুকি লাঙ্জঙগুবনি
ঙসি হয়েং থাইদেদো
পোলেপ্কম হায়বা নাইদেদো ।

চেক্লাও মুংশিবী
মালেম শিন্না খোংলিবী
নঙ্গী মুংশি খোঞ্জেল্না
অনৌবা রাগকী শৈশক্লা
বসন্ত অয়ুক য়াকাইরে
লৈরা, লৈরীক, তমথরে

লৈরাং লৈনম্ কাওরকুলে
লম্‌হেৎবা খোইমু পাইরকুলে ॥

আথাপদৈ রাহোংনা
হুরাউঙ্ মখোই কাহ্‌না
থেক্লা জগোই শাবী
নিংথিবা পুংখোল্ তারি ।
অনিসিনা ঙিল্লগা
খোইমুনা লৈহী থিবল্লগা
অঙকপা কুমৈ ওইহল্লে
পুক্কি ঈরাং হোৎহল্লে ॥

স্বর্গ মাবু থিরুই
মকম খঙদনা লৈরুই ।
মুঙগী মূর্ত্তীদা হংলুই
মরোন থোক্কনা ঊই ।
অবেশ্বনি লাৎচরুবা
মতম্ কয়া মাঙশুবা ।
ইনক্ নল্লা লৈরম্মে
মহোশা কৌবিদা ফঙম্মে ॥

অঙাং নবা নোক্‌পদা,
পুক্কিঙ্ ঈহৌ লাক্‌হৎবদা,
ঊৎশ মখু ভংবদা
রাখল পেংখোফম্ খঙ্‌ব্রবদা,
মুঙ্‌গী মূর্ত্তীগুম্ কল্লবা
মীশুংশি খঙ্‌বা লৈত্রবা,

মীরমলেন নঙ্ত্ত মহাবৃত্তি
'স্নুম্না থম্লি ঐহাকৃতি ।
চেক্লা নঙ্বু কৈদনো ?
করম্না উশাথক্তা তোংবনো ?
নঙ্গী খোঞ্জেল্না তাব লি
ঐগু থাম্না যেংলি ।
কল্লিগী 'ছুম্না খোংলিবনো ?
অপাম্বা কমাবু কোৎবনো ?
নঙ্গী পেন্দ্রবা খোম্থাঙ্না
কোৎবা মাধু বানা ? ॥

নঙগী খোঞ্জেল্বু তাম্নগা
হৌখিনা পুম্নিবু খল্লুরগা,
অবা মুঙাই ফাউরকই
হম্না অমুক নিঙ্শিংলবুই ।
নিঙ্শিংবতনা বাহল্লি,
কাউগে হায়রগা মহেল্লি ।
পোত্থাকম খঙত্রে ঙসিদি
তাহল্লগনু নঙ্গী খোঞ্জেল্দি ॥

অতুবু চেক্লা পাইখিনু
লম্দম্ থাপ্া চংখিনু,
চেক্লা নঙ্না পাইগ্রবদা
পুন্সি বসন্তনা লৈত্রবদা,
লৈহি চেন্দ্রবা লৈরাংগুম্
অহাঙ্বদা পাইবা খোইমুগুম্,
অরেম্বনি মীওই পুন্সি
অরাবনি 'স্নুম্না লেন্বসি ॥

-X-

মোম্‌গী মৈঙাল

লোন্‌থোক্কবী মোম্‌
মঙাল্‌পিবী মোম্‌
নঙোম্‌তবু চাক্‌থেক্‌পী
অমম্বু কোক্‌থোক্‌পি ।
অছিং কয়াগী মৈয়ীনি
খোঙোক্‌ কয়াগী শাখিনি,
অহিং তাংলো অথেঙ্‌বনি
নঙ্‌তনা উহৌবনি ।।

কম্‌দৌখি নঙ্‌কীগী খোঙজিঙো ?
থঙ্‌হৌবরা খোঙোকতো ?
ময়াই কারবা পেয়ালাদা
কনা কনা লুপ্‌খিবা ?
তাহৌবরা সাইরেঙ্গি শৈহেক্‌
য়েংহৌবরা কাম্‌গী শাথেক ?
খোঙজি তাম্বা চুম্‌খিবরা ?
নঙ্‌গী মৈঙাল্‌ মুৎখিবরা ? ॥

চহী চাশিঙ কয়াদগী
চথরক্লিবা ঈচেলদি
মুঘোল পাঠান্‌ হাক্কৃতগী
পোত্থাকম্‌ নিংথৌরেন্‌ কয়াগী ।
নঙ্‌শুম্‌ মদোম্‌ তুমজবী
মাঙজথ্রবা অগোইশাবী,

লেন্খি অহিং বানা
কান্নবা থম্মোইগী পিরাংনা ॥

তারমদায় সুমিৎপু য়েংলগা
অরাবা অহিংবু থল্লুবগা,
থম্মোয় নঙ্দি তনিক্ তনিক্
তুম্জগনি মরিক্ মরিক্
করম্বা খোঙ্জি তৎখিবনো ?
করম্বা তানবু কাইখিবনো ?
ওইবম্গনি শোযদনা
পেন্দবা বাখল্ কযানা ॥

নক্তে নক্তে মোম,
তাইয়োম্নকরে ঐগী ইমোন্,
য়েংলুরে অতোপ্পা মীয়েৎ
থল্লুদরে নঙগী অখোইবা শৈরেং,
ঐগী খুরবা বাখল্না
হোৎখিবা কায়াগী থৌদোক্না
শুমহৎলুবে ঐহাক্কি
মঙ্ক্রাক্তিনরে হৌজিক্কি ॥

পাক্ চাউববা মালেম্দা
লাইশঙ্ কয়াগী মফুংদা,
নহাক্কবু মখিবি
নঙ্তনা লান্বিরি
শাগৈ অাং থায়দে
অরাং অনেম্ নাইদে

মপু মাপি থোৗরাঙ্‌নি
নহাক্তনা লৌচক্লি
মমলবা থাশিংগি অছিংদা,
দিৱালিগি মৈঙাক্‌দা
মণিমুক্তা পরেংগুম
অছিং লাইরেম্বীগী লৈতেংগুম
নিংথিদকো এঙগী শককম
তাইবঙ ঐথোযগী য়েংনকম।
অনম্বু কোকথোকপিনি
পঙলবা ঐ খ'য়গী লোৗশিংনি ॥

অছিং তাঙলোৗ অথেংবদা
তাইবঙ ইচিক হুনশ্রবদা,
মালংগী শাক্তম লেপথ্রগা
ম'লম শকণ্ডম শুনশ্রগা
অঙম্বশিং কনা লৈ'কি?
করি হায়না তানখি?
কবম্বা লৈঙাক্‌লোন্‌ শেমখি
নিংথোরেম্না করি হাযখি?

-X

নোংদম্বা

নোংদম্বা নঙ্‌বু কৈদৌনো ?
মফম কৈদা লৈবনো ?
অযুক্‌ নুংথিল থায়দনা
লম্‌দম কোযনা চৎতুনা
কোয়থি থিজে নহাক্‌পু
অঙাওবগুম্বা ঐহাকপু ।
কনানস্থ তাক্‌পিরক্তে
নহাকী লৈকম্‌ লৈতে ॥

চৎচক্লই অহল্‌ নাক্তা
রাজকুই ইতোমতা
নোংদম্বদি লৈবনি হায়
অরা-অনাগি মপুনি হায ।
মশক্‌-মতৌ তাক্‌লক্তে
মওঙ্‌ মথিন্‌ থঙ্‌লক্তে
শেংতুনস্থ যাবোয হায়রি
চিংগ্রবদি মাক্‌না ময়ৌ ॥

কবম্‌ হাযনা নোংদম্বনো ?
করি হায়না ঊরাংকদবনো ?
মখু শোযদনা লাকুকরবা ?
নিজবা থর্মা চংগদরা,
ঐনা তত্তনা নিঙ্‌জরি
থোরাংনা মাবু ভাইজরি ।

কংবত্তদি মলৈখিদে
নোংদম্বদি লৈরম্দে ॥

পুন্সি লম্দাংয়াইদা
অরা-অনাগী শাক্দা
হৌখিবা পুন্সিবু খল্লরগা
থোদোক্ কয়াবু নিঙ্শিংলগা,
মৈনি খঙ্না শানখিবা
লোইনা তুম্না চাক্খিবা
ওন্থোইনা কপ্চখিবা
নোংদম্বা মাঙোন্দা তাইনখিবা ॥

ইথৌদাংদি ঐহাক্কীনি
ইরাল্লু ঐগীনি
করিগিদি খিরি
নোংদম্বদা তাইনরী ?
মানা মানা তৌজবা
মন্থগী মহৈ ফংজবা,
মীওইবা খোইনা খঙ্দবা
নোংদম্বদা তাইনবা ॥

পুন্সি তিংথং লম্বীদা
হৈনা শিংনা চংত্রবদা
অরাবগী অরাবনি
খুদোং ঙীবা ঙাক্তনি ।
অথঙ্বনা তাক্পগু লৌদবা
মশানা খঙনগু চত্তবা ।

ইশাবু ইশানা শেম্বনি
হোৎনবগী মথা পোন্‌বনি
নোংদম্বদি লৈতবনি
থিরুদনম্বু ফংদবনি ॥

—X—

বেলুন

পাইখৎকেদো ঙসিদি
খঙজসন্নুকো ঐবুদি ।
অরাংবা থাক্তা নৈথোক্কে
ঈনিঙ্‌ ঈথা তম্থোক্কে ।
লৈকাইনা ঐবু শোয়নি,
ইকাই থুম্না চৎকনি ।
মুঙাই যাইফবা ওইরিবৈ
নুংশীৎনা ইপুক্‌ থল্লিবৈ ॥

'ম্মা মপান্‌ ফরিবৈ
তৌনিঙ্‌বতা তৌরিবৈ
অরাংবা থাক্তা লৈবনা
লৈথাবু পীক্রঃ উবনা,
মানা মহেষোই খঙ্গরুই
হুম্বা মীযেংনা য়েংজরুই ।
মুমিৎ থাবু শক্‌খঙ্‌দে
অমম্বা লাকনি থাবুদে ॥

মপান্ ফবা কৌবনা
হাইনা হুম্না পান্বনা,
অব্রা অনা শক্খণ্ডদে,
পুন্সি মশক্ খণ্ডণ্ডুদে ।
অতোঙ্বদা লৈবনা
লৈকুং লৈনি খণ্ড দবনা,
পুন্সি মপুঙ্ ফাহন্দে
তাইবঙ্ শক্রম্ খণ্ড ণ্ডুদে ।

মতম মানা ফবিউঁ
লৈকা ফম্মা শাংলিগ্ঙ,
মক্সপকী মক্সপ্ ঙাক্তনি ।
য়েক্লবা মশক্ খণ্ডদবনি ।
মুমিদাং ব্রাইবম্ লাকলগা
কোরো মানা থুপ্থ্রগা,
মালেম্ শক্রম্ ওন্থ্রগনি
মুশিবা মক্সপ মাঙ্থ্রগনি ॥

ব্রাখল্ মেনবু তারক্পদা,
তাইবঙ্লানবু খণ্ডক পদা,
মতম মাদি হৌখিরম্মে
পুন্সি লম্দাং তেলম্মে ।
থোদাং মাদি লৈহোবে
শব্রি পাঙ্গল্সু হুম্বগরে ।
ব্রাখল্দমক্ মঙায়রে
থোদাংদি অতুম্ লৈহোরে ॥

’স্থম্মা কোইপাই পাইরিবৈ

বেম্নুননা থপান্ ফরিবৈ,

অন্না-মৈচাক থন্তখিদে

তাইবঙ শঙ্কুম্ উশিদে ।

মতম মানা য়োম্বকপদা,

বেলুনগী মবুক্ হাপকৃপদা,

কৈশনায় থক্তা তারক খি

অতাংশিংগী খোঙ্গাউ ওইরক্খি ॥

-X

অঙক্পা

লৈকুন্ মকুপ্ অমনা হায়রি,
মালেম্দি ঐনা শেম্বনি ।
ঈশিং লৈরিক্ অমনা হায়বদি
ঐদি খ্বাইগী থবাযনি ।
মুমিৎনা পোঙলপ্না হায়রি
নখোয়বুদি ঐনা য়োক্পনি ।
মালৎনা লঙ্তক্কনা পাউজেল্বদি
মুংশাম্ববদি ঐতনা হোনবনি ।
মখোয পুম্নমক্না হায়রি
ঐখোয়দি অঙকপা ঙাক্কনি ।
ঐনা হাযবদি,
নখোযবু খল্লিবা রাখল ঐনা
খ্বাইদগী হেন্না ঙকপনি ॥

-X-

[illegible]

মত[illegible] বেখী ঈচম্না

চেল্লি অতং অথম্ লৈতনা ।

[illegible] [illegible] কনাবস্থ

থল্লুবা লৈতে কনাগিস্থ ।

উনা তাদা খঙনা লৈতে,

[illegible] [illegible] পোক্কে ।

[illegible] [illegible]

থঙ্দ চাযবন্থ মহাযানায় ॥

[illegible] [illegible] ঙ মীওইনা

[illegible] [illegible] কম্না ।

ঙ [illegible] [illegible],

[illegible] খিনি মথল্লি ।

[illegible] ঙ খনবিকদে

[illegible] [illegible] খোশারদে,

হিং[illegible] নৈখ থল্লদ

বাপলগী মপান্ নাইদে ॥

মৈখৌখোন্গী বারী কয়া,

নিংখোরেন্গী ফম্বাল্ কয়া,

মা[illegible]মবু ঙমগে খন্[illegible]নিং

তাবদা তুজুংবা মখিং,

নিঙ্বগী তৌবগী মানবা

কন্বদা মপা লৈতবা,

ঙসি কদাইদা মাঙখ্রবা ?
নাপনগি ফুরা কাযখ্রবা ? ॥

চাংখৎলম্বা লৈপাক্ কয়া
তান্জরম্বা মাগী থুযা,
মাগী মতৌবু তমজরুবা
অহৌবনা চাংহৎপা ওইবা
তাইবঙ লোনশিংগিদি হৌরক্ফম
জগা পুম্বগী হৌরাংফম ।
ঙসি কদাইদা মাঙখ্রবা ?
মতমগী মেথুনা কুপখ্রবা ? ॥

মতম মাবু থম্মোনঙুবি
রাজ কয়া হুংলরি ।
মুমিং-থাং লাবান মিচাক
কয়া কুহরা মখোয়গী লমচাৎ ?
অমাম-অঙৌবা লোনপাম
মুমিংথোকপা তৌবা ।
হুবা কোৎদি লোম্লু
মতমগী হৌরক্ফম লৈতে ॥

সেনি নাহনি হযান
বাখল তম্বা মখৈ,
খেংতৈজ খোংতুনা যেংলদি
মতমগী মশীং থিদি ।
তৌবা ঙম্বা বৈজ্ঞানিক শিনা
পোথাবা বৌবা লৈতনা,

মতমবু শাগে লাক্রি
মহিক্ থিবগুম থিল্লি ॥

তৃ-খো ঈচেল কয়াদা হৎলুই
মখোয়গী পুক্নিবু থিরুই,
অমত্তনা খুমক্কে
মখোয়গী ঈচলসু তোক্কে ।
হিমালয় চীংজাউদা কারুই
অঙকৃপা ওবৃতা উধুই,
লৈখোক্ই মমায় লোত্তুনা
উম্না ফিরুক্ খুমহ্নুনা ॥

নাপম্না ময়াই কারবা
বৈজ্ঞানিক্শিং হেন্থোইবা
অতিয়াগী লমচংপু থিজিন্বা
সমুদ্রবু খঙ্গে পোৎসাঙবা ।
থাদসু খোঙদাবরে
সমুদ্রগী ঈরোম্নন্দসু শমলাংব
মতম মাবু যঙকপবা ?
তাংশবা পাউবু পুবক্পা ? ॥

মতম্ নঙ্বু শিঙপাত্তুনা
হৌখিবা কয়াবু খল্লদুনা,
ঈশ্নক্ কয়া শক্খি
ঈশবেংবা কয়ানা পানখি ।
শাগোম্নবগুম খল্লি
পুক্নিদি মহৎ তাহল্লি ।
ক্ষ জন্দুনা থমগ খল্লি
মতমদি মামন নোক্লি ॥

—X—

খোম্বা

খোম্বা নহাক্ লৈতে

মকম্ কৈদম্ব লৈতে ।

মাংলম্ শিন্না কোযথি থিরুই

নঙ্গী নঙ্ঙক্রা ঙুই ।

থক-খা ঈশিং মুশীং

ঙাঙক্পানি নঙগী [illegible] ।

মাম্বা নঙ্দি লৈগম্ব্রে

এনা থিবদা ফংঙুব্রে ॥

তিঙক্ তিঙক য়েংহুনা লৈ

নহাক্কী মকম্ কৈদা লৈ ,

তাইবঙ্ খুমে [illegible] মাংগনি

[illegible] খন্দু [illegible] শোম্বনি ।

[illegible] থকী থংখাল্ [illegible] থম্বাল ন

[illegible] থম্বাল্নি

মীং-বংদা [illegible] নি

অঙকপগি থুংশন্নি ॥

তাইবঙ্ [illegible] ঙম্লোয

কনংনা অচুম্বা ওই ।

খেইম পাইব্রা [illegible] থঙগানি

[illegible] গোবনি

লৈনা [illegible]

মক্কম্ চানা খিরক্কনি
পুথোক্কনি শোযদনা
মহৌশাগী লিঙ্কীংনা ॥

থাবু খিত্না চংশদা
মালেম থক্তা পাইবদা
অতিয়া মাগী শচুদি
ওইরম্লে শংবান্বা কুচুদি ।
মাদি শুমহৎনবীনি,
ওইদবা ওবৃত্তগী শক্হেনি ।
হৈনা শিংনা চংচৌ
নৈরম্লে খেন্নবগী চাংঙৌ ॥

খেন্নবদি মান্দবনি
তম্নদবদি খেন্নবনি ।
অমগা অমগা তৈনবা
কন্না তিন্নবা যাবা ?
অশুক যাম্না মুমিং-থা।
লোযবা নাইত্রবা শিংথা,
অমগা অমগা মান্নদবা
কবন্না থোশীন্না পুন্নিবা ' ॥

হায়নৈ মীনা তাইবঙ্মপু অশুনি
করিগীদি হায়রি মতঙ মশিন নাইদবনি ?
শাধীনত্ম খেন্নবা
শক ওন্ লেপ্পা নাইদবা ।

ঐনা উবনা অমনি
অমনা কংনরুবনা অতাপপনি ।
মঙং মঙং উরুবনি
মমিং মথা মাম্নদবনি ॥

অঙকপনি জগৎ নঙগী থোংদো
অম্লুক খেঙ্নবা নহাক্কী মতো ।
'সুম্না খেননবা মংদা
তোঙান তোঙানবা শকন্দো,
করম হাযনা তম্নরিবা ?
করম্বা লৌচিংনা পুল্লিবা ? ।
গ্রহপুম্বা থেংনদ্রিবা
মালেমসিবু হিংলিবা ? ॥

খঙ'ন্দ ঙসি খা'লে
হৌজিক্তা বাখল ফাওবক'লে
নুমিৎ মানা তাবমদাইদা
পুসি মানা য়াচংলকপদা
ঐগী থম্মোয লকাম্নুংদা
মীহুংশি খঙবৈ ঈহৌদা
থৌশিন জক্লা চংলগদা
লৈবোই খেম্নবা কদায়দা ॥

-X

পুন্সি

করি হায়না শৈহৌনি
কন্নব্বা শৈশক্কা শক্কনি ?
কন্নব্বা মঙম্বু শিঙথানি
পুন্সি শক্তম কযানি ।
শিঙথাহনা লোইগদরা ?
অরেপ্পা ফীরেপ্ নাইবরা ?
পাক্-চাউরবা মালেমদা
কনাগী ফীভম্ কদাইদা ? ॥

খুংতা খোইজে পায়হনা
রাখল কয়া খন্দুনা,
ঐনা হংজ কয়া—কযা
পুন্সিনা তাবিদে ঐগী ইবা ।
মদোম মদোম্ চংলি
খোদোক্ কযানা তাবলি
থাম্বংবু য়াদবনি
ফীভম গী শখা পোনবনি ॥

অঙাং নবা ওইরিবৈ
পলেম্ পহৌনা কোল্লিঙে,
নুঙাইবগী নুঙাইবা
অকি অথং লৈতবা ।

অনিঙ্বতা হায়বা
        অয়ৈ লৈতা খঙ্দবা,
অচুম্ আয়ান্ লৈতেদো
        মপু মাগা যায়ৈদো ॥

পুন্সিগী পুম্নক্ তাংদাদা,
        মালেম্সিবু খঙ্ঙক্পদা
তপ্না-তপ্না শাহৌরক্খি
        পুক্নিঙ্ লৌশিং ল্যাক্খি ।
অফা-ফত্তা খঙ্ঙক্খি
        অৱা-অনা থেংঙক্খি ।
তাইবঙ লান্দা চঙ্ঙক্লে
        ওইজা ওইথক্ তালক্লে ॥

পুন্সি লান্দি শোইদে
        হায়না তানা ময়্দে ।
পোথাবা কোৱতা মলৈতে
        মীকুপ তাঞা নাইরকতে ।
ওইজবতা ঐনা থিরি
        হন্না য়েংবা লৈতবি ।
লানঙম্খিবরা খঙ্দে
        পুন্সি হৌখিবদি খঙ্হৌদে ॥

কনানা লানঙন্থরে
        লৈপাক্ নিংথৌ ওইখরে ।

কনাময়না পুন্সি লোম্‌খরে
খরম্না মীবা পোন্‌খবে ।
মীনা মীবু বায়েল্লে
খরাই কয়া লোখরে ।
মীনা মীবু কৈদৌবনো ?
করম্বা শাজৎ কৌবনো ? ॥

ঐনা ঐগীদমক্ মথৈঙ্গে
ওইবদে থক্ মীগি পাৎম্বে
মীবু তেংবান্‌বস্থু কয়ানি
পেঙ্গবঙ্গি লনাইগিনি ।
পীথোক্লগা মুঙাইবা কয়া
ফংলগনা পেঙ্গবা কয়া
'স্বমা পেম্নবা খোয়াঙবদা
মীওইবনা য়াজখ্রবা কয়াদা ॥

মীগি কাননবা হোৎনবা
পোত্থাবা কৌবত নাইত্রবা
অহিং মুংথিল্‌ খায়দনা
অরাবা খোশীন পুন্থনা
মাঙহন্‌খক্কে পুন্সি কয়া
পামজখিদে মীংচৎ কয়া ।
'ছবু মহাক্কনা পেঙ্গখি
'স্বমা পুন্সি লেন্‌খি ॥

অতন্‌ তনদা থিদনা
হোৎনা কথৈ লীচিঙ্ন্না,

অহল নাত্তা কম্লাগা
পুকনিঙ্ লৌশিঙ্ তানগা,
লাইবক্পুদি থোদাংনা হেন্না
পৌয়রমকতে অকেংপা লাইরা ।
মাগী নত্তে তাইবঙ্গিদি
অপঙ্বগা অতন্বগীদি ॥

অঙকপনি মীওই থোঙ্চং
শীগনি থঙ্দবা শাজং
মীকুপ্ অমাকাউ থল্লুদে
কল্লি থোকনি নিঙ্ঙুদে ।
মালেম্সিনা ঐগীনি থল্লুই
ফংগত্রা হায়না হোৎনরুই ।
শেনদোং মাল্ল তাল্লিতৈ
লোইরক্থি পুন্সি কুম্মে ॥

থাম্না পাইখিবা চেক্লাগুম
উনা উনা মাঙ্খিবগুম
করম্না শান্ত্রা হৌখিবনো ?
লমদম্ কৈদল্লু য়োৎখিবনো ?
কনানসু থাহংদে
লমদাং য়ামক্ত্রে থল্লুদে ।
তাক্লমদনা লমথুংখি
পুন্সি কোংগোল তাক্খি ॥

—X—

খোঞ্জেল

করিনিনৌ পুক্নিং হুৎচাং
        হৌহান্নবা তাওতবগী খোনাং ?
কানাবুদে থকুৎলগা
        মতম্না ইরোম্বা চনখ্রেক
খোংজম খোংজনি কুমথোকপা
        নিংখিৎ পাম্লমদ্রুবা
হন্নকুম্বি বাখল ওয়াসিদি
        তারকবা মাগী খোঞ্জেলদি ॥

তামলবা চীঙশাং থক্কুগী
        তান্না খোঞ্জেল তম্নাগী
করম্বা অৱা মপাউবু তম্লনো ?
        নিঙ্বা কাইরবা থম্মোইবু তাক্পনো ?
কনাবু খল্লগা তেংথাবনো ?
        করম্বা থম্মোইবু কাইনখিবনো ?
হংদৈ ঐনা তম্না
        তাইরি ঐনা ঈথৌ লাংনা ॥

অমুক হৈদা চৌইকাইনদ্রে
        পলেপক্রমদ্রি লৈরক তরে
খোঞ্জেল নঙবু তারুবদৈ
        তামলবা চীংশাং নাপোমদৈ ।
খেঙলবা অহিং নোংয়াইদা
        মীচিক মীরাউখোল তারকত্রবদা
তাউবা হুইজাউগী খোঞ্জেল মা
        অৱা পাউজেলবু তাকপনা ॥

মহৌশা লাইয়েম্বীগী থৌশিল্দি
কায়দনা চংখল্লি য়ালেমদি ।
খোঞ্জেল্ মাদি হোংবা নৈত্তে
চেক্লাগী খোঞ্জেল্ 'ভোক্পা' নৈতে ।
চরোইগী টেঙ্‌টু খোঞ্জেল্না
য়্যাকাইয়োম্বু তাক্লি তংজনা,
ইমুং সোম্না তাদে তাক্লি
তাইবঙ মীওইদি থিকপ তাল্লি ।
মহৌশা খোঙচংপু থৌওইদে
মপুগী থৌশীম্বু খল্লুদে ॥

নিংথম্ থাগী উলেন্না
খঙহৌদনা তাক্খিবনা,
খঙহৌদে করম্বা সরক্তা
লাক্খিবা মালেম্থক্তা,
বসন্ত কৌবা ঋতুনা
নোংমগী কোকিল্ খোঞ্জেল্না
পাউজেল্লকখি খঙহৌদনা
চেক্লাগী মুংশি খোঞ্জেলনা ॥

অঙক্পগী খোঞ্জেল্নি
পুক্লিং শুম্হৎপগী মঙংনি ।
রাংজবা উশা থক্তা
বসন্তগী অযুক্তা
মিরবা খোম্বাংনা

অশ্লেপ, অশম নাইমনা,
কৌরি কায়নয়বা কনাখু
লাকত্রা হায়না মুংশি মাবু ॥

অয়ুক্কি নৈকোল মুংদা
খোইমুশিংগী লোক্লেল্বা,
কাইকত্রবা মাগী খোল্লাং
সোইকল্লবা মাগী খোৗরাং।
চথরকুলি স্নুম্না,
মহোৗশা মাগী খোৗশিল্লা।
খোঞ্জেল্ মাবু ত্তাজহৌ
মহোৗশাগী কুমৈ য়েংজহৌ ॥

লমথুম্নুদি মৈপোঙ্বী
খোঞ্জেল্ মাগীদি মুংশিবী,
মাগী খোন্থাংবু তারুবদা
চীক্লবা তাঞ্জা অমদা,
শৈরেংবা কয়াগীদি শৈশক্ফম
কাউগ্রবা রাখল্গীদি নিঙ্শিংফম
তাইবঙ্ চৈনাবুদি কাউখোকফম
রাখল্ মাগীদি পম্বুংফম ॥

য়েংঙ্ পাকচাউরবা মালেমসি
ভাবয়া মশিঙ নাইত্রবা খোংলেপ্লাস,
খোঞ্জেল্ মাবু খঙ্ঙুদে
মৱোল্ মাগী তাকলমদে,

মীং লৈমা উদবত্তুম্
        নাপলৈমা তাদবত্তুম্
খঙ্দবগী অবাশা
        করিনদু কোকদবা ? ॥

নত্তে 'হুন্না খন্বসু
        খোঙ্জেল্গী মায়োল খঙ্দ্রবস,
খঙ্দে লাক্কে হায়বিসু
        তাইযোম্নবা তৌবিসু ।
নাপা চুমনা তাখিয়ু
        পুকৃনিঙ্ মাঙোন্দা হংবিউ ।
খোঞ্জেল্গী মরোল্ লৈবনি
        লাঙ্তক্নহন্বদু মহাক্নি ॥

চেক্লাগী য়ারা খোঞ্জেল্না
        মহৌশাগী কাদম্ হোংবনা,
তাক্লি মবী মহাক্কী
        সোযফত্রবা মহৌশাগী খোদোকী ।
অহিং মুংথিল্ শায়রি
        থাসি থাংনো নাইরি
কুমগী নোংমু হৌরক্খি
        অনৌবা শায়োন্ পুরকখি ॥

মালেম্ শিন্না তারিবা
        খোঙ্হাং ইপোম্, য়ৈরিবা,

অদোই অথম্ নাইত্রিবা
মহৌশাগী খায়োন্‌গা লোয়ন্‌বিবা
খোঞ্জেল্ নঙ্‌দি মহৌশানি,
লাইহৈবী মাগী খাক্তোনি
খোঞ্জেল্‌দি মালেম্ শীন্‌বনি
অহুম্না মহৌশাবু খঙ্‌জবনি ।।

ঐহু ইতোম্‌তনা খঙ্‌জদে,
করিগি রাহ্‌নো হায়ঙম্‌দে
নীঙাইদনা লৈবন্থ লৈঙম্‌দে
খোঞ্জেল্‌না ঐবু পোথাহনদে
হংজৈ পাউরোল্ মথ্ মথং
খোঞ্জেল্ মাগীদি মওং মওং
করম্বা শক্তম্ লৈবনো ?
করিনা মাবু খঙ্‌গবনো ? ।।

নোংমা চীক্‌লবা তাঙ্খাদা
নায়তোম লৈবা মতম্‌দা,
হুঙ্‌কুখি রাহং কয়া
চীকলবা থম্মোইগী যাবা
নোকপদো অঙাং নবানা
পলেম্‌গী হুংশি খোঞ্জেলনা,
চেল্লক্‌খিবদো খম্বি মপাউ
তারুবদা তাউত্রি মপাউ ।।

মীওই থুদিতনা শঙদদো
পুঙখোল্গী মক্সোল্দো,
খোঙ্জি মাদি মথঙ তি,
পুঙলোন্ শানা মহংতি
অনিগী তিনবা তাঞ্জাদা
ময়াই কারবা জগোইদা
ঐখোয়না করি থঙবগে?
অপেনবা করি লৈবগে? ।।

শৈশক্ কন্নাগী খোঞ্জেল্না,
ঈথক ইপোম হৌবনা,
মুঙ্ মাবু তাউহল্লি
ফুম্গী নোঙ্মুহ হৌহল্লি
খূদক্কা বসন্ত লাক্খি
মক্কৌশাগী শক্তম্ হোঙক্খি
খোঞ্জেল মাদি থরাইনি
থরাইগীশু হৌরক্কম্নি ।।

—X—

লক্ষ্মী

খোঙ্‌চৎ মানসবা মীওইনা
তিনদবা লক্ষ্মী চৎপনা,
মানা-মানা খোক্পা
পুন্সি লমদাং খীরকপা,
চৎনিন্নসি মহায়নৈ
চীরোল্‌ কয়াসু মতৌনৈ
লক্ষ্মী মফম্‌ তৌহৈদে
খাইনা লক্ষ্মী পামকদে ॥

পুন্সিগী লম্‌দাং খিরক্পদা
মালেম্‌গী শক্তম্‌ খঙক্‌পদা
মানা মানা পাম্‌জবা
অতু খঙ্‌না খোরাঙ্‌জবা ।
পিশক্‌ পীক্‌লিঙৈদে খঞ্জরকপা
লক্ষ্মী মাবু খীজরক্‌পা
লম্‌থুংখিববা খঙ্‌দদো
লমুক্রখিবসু কযানিদো ॥

তাইবঙ্‌ লক্ষ্মী খোঙ্‌চত্তি
খোঙ্‌থাং হৈতবৈ শক্তি
পোথা পামেল্‌ মখোঙ্‌দা
অবা পোলুম্‌ খায়কপদা

উনা-উনা উরোই
পামেল্ মাবু কংলোই ।
পুন্সি খোঙ্চং হাইখিনি
লুরবা লোক্তা তিন্খিনি ॥

ইভোপ, তোপ্পা শক্তম দা
পাম্জরবা শকওংদা,
নীঙবা কায়বৈ মৈচাক্ল
পুঙম্ত্রবা বংহ্না,
থীবক্খি অচুম্বা খোঙ্থাংবু
যেঙক্খি নিঙগী লমদাংবু ।
ওংহ্ক্ইদা থূদক্কি থৌদোক্
নীঙাইখিদবা ঙাইহাকী বাথোক

মচ্লান্দি কযানি,
পামজবসু ময়াম নি,
নীঙজববু থ্ংগে তাম্বা
খঞ্জকবা মাগী আপাম্বা
থবক্তা বাথলগা খেন্নবা
চুনদবদে থৈনবা,
কাইনথঙ দা থঙক্পা
নীঙ্থম্লকে খল্লক্পা ॥

অক্সুম্ অক্সুম হৌখিবনা
মাঙ্গী লমদং তেম্লক্পনা

ৱাখল্ মাদি লৈহৌরে
মতমুনদি ঙাইরম্মরে ।
য়াহৌ খেঙ্বা চেক্লাগুম
কায়দোংকম্ থঙ্দনা পাইবগুম
পুন্সি লম্বী লমথাঙ
লৈহৌবঁদো মীঙ্জরুবা ইথোনাং ॥

মঙলান্দা লম্বী য়াম্লুবা
তুংগী লম্দা, থল্লদবা,
পাইরকী ৱাখল্না লমজিংবা
ৱাখলগা থোদাংগা চুনদবা,
নোংহোননা শেমগৎলকপা
কাইনথঙদা মেন্দারকপা,
হৈরোনগুম্না কেন্থিনি
মতিক্ মযাই ৱাংকনি ॥

অদুবু, মানদ্রবা খোঙচত্তা
অসুক যামগ্রবা লম্দাংলক্তা,
হৈনাশিংনা চৎপনা
লম্বী তিংথ, থঙবনা
তপ্না তপ্না যোববথি
অপাম লমদম্, থুঙকথি ।
মীংই থবনা লৈহৌবে
থরমনা থুংলবে ॥

মঙাচাবদি নৈঙবা নত্তে
খুদোংচাবসু থেংনদবা নত্তে,
লাইবক্ মাবুদি উকদে
কৈদৌঙৈদসু থেংনকদে,
লৌশিঙা হৈহৈ বাফম্নি
লক্ষ্মী খঙ্না চৎহল্লোগনি ।
খুদোং চাবা হল্লকতে
হন্না হন্না য়োবকতে ॥

লম্য়াম্বদি শক্খঙ্ঙি
অকা ফত্তা মথেঙ্ঙি ।
মা'না লক্ষ্মী য়াৎপদা
যেক্লা তিংখং কয়াদা
থেংনরক্পনা লক্ষ্মীদা,
ওক্টরকখি লৌশিং মাঙোন্দা ।
’হন্না অশেঙ্বা লম্দাংদি
ওইরক্খি লাইবক্ফবা কনাগীদি ॥

অশেঙ্বা লক্ষ্মী চৎপনা
অয়েৎপা খোঙচৎ ওইদবনা,
হোৎনমন্দি মফংলোই
থৌদাংগী মুঙাইবসু মখঙ্লোই ।
অরাৎপদি লৈগনি
পুন্সি মপুঙ ফাদবনি ।
মপুঙ ফাদবা পুন্সিনি
অবাবা করম্না খঙ্গনি ॥

লক্ষ্মীবি কয়া কয়ানি,
তাইবঙ খোঙচৎসু নথাননা,
কনানা কদোমদা চৎলিবা
কংলুবু খঙগদবা ?
পুন্সি লৈপুন কথোক্লু
থাশক কয়া লৌগ্রবস্থু
লমখাঙগী খোদোক্তা
লমদাং থাইরকখি খুমক্তা ।।

খশ্মোই মাদি লৈহৌবে
থাইনা লক্ষ্মী তানখরে ।
মুংশি কৈথেলসু খনখরে
থাইনা অহিংদা তিনখবে ।
লক্ষ্মা লমদাং উরখত্রে
পুন্সি মৈতাল মুংখরে ।
অঙকপনিকো তাইবঙ লমদাং
লক্ষ্মী মাখি মকাং মকাং ।।

—X—

নুঙগাই থক্কী থম্বাল্

খোঙৈ' পায়খৎলি কয়ারক্
উংজানরুই অহুমক্ ।
রাখল্ মেনবু তাওম্‌দে
হুংগাইদা থম্বাল শাংকদে
মহৌশাগী খোদোক্ ওইকদে
লুঙ্‌দি মীহুংশি থঙকদে
তাইবঙ্ ফীভম্‌দি কমদৌরি ?
ওয়া তৈনবসু মযাওরি ॥

পামেল থক্তা শাংপী
উথম্‌বাল্ থরেক্‌পি,
অরাংবা থাক্তা লৈতেংবী
হাইনা হুম্না শাংলিবী,
হরাউ মথোই কারিবী
নাপল্‌না শাহুন্ ওইরিবী,
নঙ্‌বু থঙ্‌বদি অরাবনি
অয়েম্পা থম্মোই চেপ্পবনি ॥

উথাম্বল্‌সু থম্বাল্‌নি
লাইজথকী থম্বাল্‌সু থম্বালনি,
চে-না সাবী থম্বাল্
খুৎশা হৈবগী মপাল্ ।

থম্বাল্ মখল্ মখাল্নি
কনায় ফুঙ্‌গাই থক্তা শাংতবনি ।
তাইবঙ্ পুম্নি থম্বাল্দি
মশাংশয় য়াওবনি ॥

শক্ওংদা লৈরাং থম্বাল্নি
খেয়বা লৈতবোই মখল্বনি,
থমুংদা লৈহৌ চেন্দবীনি
থম্মোই ফুঙ্‌গুম কনবিনি ।
লৈনম্ চেন্দবি লৈরাংগুম্
ফুংশি মীনোক্ হৈতবগুম,
তাইবঙ্ থম্বাল মহাক্তি
নত্তে শীঙেল্ ফুংগাইথক্কী ॥

ফ্‌গাইনা শাংপী লৈরাংদা
নোংমগী অয়ুক্ অঙনবদা,
খোইমু সঙ্ পাইহক্লগা
লৈকোল্ ইনিন্ নিল্লগা,
লাইবৈবাক্কি লাইয়াম্না
অগোই শায়বোই হাখছয়া,
অত্তুম্ হায়না থক্কই
মহৌশা শঙ্গম্ উক্কই ॥

লৈরাং পুনমক্ অমত্তনি
মপু মাগী থুদোলনি,

পুকনিঙ্ কিস থাংদবনি
অচুম্বা শকওংতা উংপনি,
মকত্রবা পুক্চেল্গী থুঙ্নকম
খোইমু মাগীদি খোইদাকম্ ।
তাইবঙ্ থম্বাল্ কনাদি
মুঙ্গম্মা কনবা থম্মোইদি ॥

মহোশা কৌবী লাইরেম্বী
খোশীন্ হৈনা অতম্বী,
শোয়কদে থরুই ননিঙ্দি
খোশারম্ত্রে তাইবঙ্নদি ।
নোংদম্বা নঙ্মু মসোয়বোয়
অতম্বা নঙ্গী, চুমদবোই ।
তাইবঙ্ থম্বাল্ মুঙ্ঙনখ্রে
খোহমুনা লৈরাংগী মহুং শিনখ্রে ॥

পুন্সি ঈচেল্ কয়াদা
মশিঙ্ লাকখ্রম্ত্রবা ইবৈদা
লাইবকু থীবা কনানা
লৈরাং লৈশঙ্ক থঙ্দবনা
লম্বী খোঙ্চৎ তিনক্রবা
পুন্সি খোঙ্লোয় ওইক্রবা
থম্মোই চেন্নবগী কৌনবা,
খোইমু পুন্সি মাঙ্জবা ॥

অয়-তৈনবা শাজংনি
তাইবঙ্ কনানা থঙ্গনি ।

(মুঙগাই থকী থম্বাল)

চুমথ্রিঙ পাইজবা খোইমুনা
এহু চেন্‌বীনি থঙদ্রবনা
পাম্‌জবা শাগংচবা ফুরা
থবাই লৌবী হুরা ?
মুঙগাই থকী থম্বালরা ?
থাঙ্‌ থক্কী পুন্সিরা ?
মহু চেম্বি লৈরাংনা
মুঙগী শকম লৌহ্না
লাইজা ঈবোল চল্লি
থম্মোই মুঙগুম কল্লি ।
খোইমু কম্বাগী পুন্সিনা
অরা মৈশা লাংবনা
থম্বাল শুম্না শাংলি
মুংগাই থক্তা লেপ্লি ॥

ঙক্কুগী ঙকপা অঙকপা
তাইবঙ থম্মোই অমকৃপা
ননিঙ্‌ নথা তম্বনি
খম্লিংবত্তা থনবুনি ।
থরান থাগী নোংঙম
হাইকম থংদনা লাকপগুম
খুদক্তা কবিবু খল্লিবা
কনানবু থংবা ঙমলিবা ॥

অঙকপা থুংশেম ময়ামনি
মালেম থম্না লৈবনি ।
লাইনি হাইনা খুবম্নবা
নোংমগী তত্তনা শোমরিবা

থাজ মাগী হম্পাক্তা
খোঙ্ফাকই মীওইনা ঙমক্তা
অহুবু পুকনিংনেদি মহেনবুনি
খ্বাইদগী হেন্না ঙকপনি ।

অঙকৃপা থোদোক ঙকতনি
মাচেম শিন্না লৈবনি
মীনা শেন্না ঙাক্তনি
ঙকলিবদি মী অহুনি ।
অসিবুসু হেন্না ঙকপগা
মুক্তা পুকচেলনা হেনববা ? ।
হাইমন তৌসনরুলি হাযবসিরা
সোযদবমবনি হাইনবু খল্লসিরা ॥

মহৌশাগী করম্বা খুৎশেম্মো
আসিবু কনানা থংবনো ।
থোং নৌবী লৈরাংনি
চুংশি হৈবা শক্তমনি
তাইবঙ্‌সিবু কোল্লিবিনি
মাচেম সিবু যোকপিনি
অহুবু লৈকাচুংগি তিনহুদি
ওইরেদো থোইমুশিংগি অবাবদি ॥

পুন্সিগী খোঙথাং অহানবদা
তশেংবা শক্তম্ব খংত্রিঙৈদা
লম্বী মাদি লনোকুনরে
লৈরাং শক্তমদা শুম্মাৎলুরে
থোইমুদি কাইদোংফম থঙকতরে
মুংগাই থকী থম্বালঙমথরে ॥

×

চুম ফ্রিঙ্ক পাইজবা খাইমুনা
অছ তেন ঠৈনি থঙ্গবনা
পাম জনা শাগঙ্গবা কৗরা
থবাই তোৗবী হুরা ?
হুঙ্গাই থৗরী থপাললা ?
খাও থকী পুজিরা ?

-X

চৎনবী

খল্লুবগা ইঙ্কক্ ঙক্তৈ
মতম্গী চৎনবী কিজৈ ।
অহল্ নহা থায়রম্দরে
মতম্ মহা নাইবম্দরে ।
মানা থুংদবা লৈরম্দরে
মালেম্ শিন্বা থুংলরে ।
কুম্গী নোংবু কনানা থিংগনি
চৎনবীবু কনানা খাম্গনি ? ॥

খোঙগ্রাউ অহনবা শেগাইরে
থুক্উ মথা কক্থৎপিবে ।
মনিঙহুন্ন ফোযদংলে
অমুকা হন্না তাইশিল্লে,
য়ে বদা থরেং থন্নেং
তাহোৎরেদো মচেৎ মচেৎ ।
কনাগুম্বনা ঙক্না যেংলি
তাওববনা ? হায়না থল্লি ॥

যেংননবা শেৎলিবনি
মহুতনা পেঙ্গবনি,
মীনা হুংশিনবা শেৎপা নত্তে
হুংশিবিউ হায়নন্থ বাচৎক্তে

চৈ-থাংবন্থুতনি পাম্জন্নিবা
মমুত্তনা হুন্ডাইজবা ।
য়াম্না কন্না শেংঙ্গিরোইদবনি
নথো লৈব্রা? হায়রক্কনি ॥

ফুরীংজুনা কমদৌরি ?
লেঙজুম্না খুদাং য়ৌবি ।
তকোম তকোম সেংপনি
খুকউ য়ৌনিঙ্ক কোন্‌বনি ।
খোঙগ্রাউগী মওঙনে
ফুরীং মাগী মঙানে,
অঙক্‌পা শক্‌ফম্ ওইরে
ঙকচানমিন্নৈ গাঙীনা রাইরে ॥

নীপানা লেঙজুম থুংলরে
মুপীনা লুখম কাল্লরে,
শমকক্ লাকক্ ওন্নরে
কনানা কনানো খঙদরে ।
লাপ তক্ য়েংবদা চিংনরে
মফম্ মমা খঙদবে ।
চুম্নতা যেংলগা য়ারোই
যেংবগু হৈবা তাবরোই ॥

চুম্ফু শুবা হন্নুবা
মশম্দা চু শঙবা।

চাহি কাজম গে হোংনরি
　　　　স্নাথল্‌ডি নহা ভইরি ।
কুমৈ কিয়োংদা মনাঙ কমলি
　　　　থরাই তানা নোকুলি ।
মমীং মনা চোইরী
　　　　মমৌনা নোক্‌খেৎ জোরী ॥

কনাদা করি হায়রুনি
　　　　চৎনর্বীনা চৎনম্নকৃপনি ।
ঈহৌ মখে লাংবনি
　　　　মতম্মা পুরকপা ঈরাংনি ।
মুঙাইবদি ওল্লাংখানি
　　　　পাম্‌জবা ফিজেৎ শেৎপনি,
পাম্বোম্‌ কক্‌পী ফুরিৎনি
　　　　মশম্মা শাইদা কক্‌পনি ॥

তাশিন খোমজিন সেংলি
　　　　মওঙ মরিন্‌ তাহল্লি ।
চীন্‌বান্‌ মায়খোঙ নৌহল্লি
　　　　মমল্‌ চঙনা সেম্‌লি ।
হাইনা হম্না চৎচরি
　　　　নহামথৈ চঙকুনরি ।
হেরা, শিগদবা থবাইবু
　　　　হল্লিতংগী পুন্সিবু ॥

কনান' বরি হায়জরনি
　　　　ঐগী ইরম্মা কেজবনি ।

নোঙ্খা চাউবা কাওবুনি
মরম লৈতহুনা তৌবনি ।
থবক্ শুনিঙাই লৈতবনি
লপ্পীদা কোয়চা চাবনি
মীগি মতৌতা য়েংবনি
বাম্লেম্তা ভাওবা কাওবুনি ।।

চংনবীনা চংনরক্লে
ঈকাই ইকি বাংমা লাল্লে ।
য়ানবী যাউনা বাচংলে
যুম্বান লোনবু শম্বোকলে ।
ইক্লাং ফোংনা তাক্লে
পাম্বৈ পুম্মক্ খঙহন্লে ।
হীগাযবা চঙ্ঙে নহারোম্দা
খঙনিঙবগী চাংযেদা ।।

অরোন্ অথুপ্ নাইদরে
মফম মতম্ লৈরক্তরে ।
তাফদবা না-না তাশিল্লে
য়েংফদবা মীৎনা য়েংলে ।
ফিতুপ্ ফিরেন্ শাযদরে
লুবাক্ লৈথুম্ নাইদরে,
লৈকাই সরা সল্লে
থৌশীন চুম্দবনা মাঙহল্লে ।।

হোংলোক্ কোংজিন্গী তাইরঙনি
অরেম্বা কৌরস্তা লৈতরবনি ।
ঙসিগী চাক্চা-য়ুথক্
হয়েংনা অমুক্তা শীন্দোক
অরি অনৌ লাক্লৈ
ওন্থোক্ ওন্শীন চৎনবৈ
ওক্নিঙাই করিসু লৈকদে
মতমসু অরেম্বা নাইদে ।।

লৈ শানা কক্পী, লৈশাবী
থাম্নগী শম্কক করবী,
চৎনা ঈহৌ ওইবনা
অত্নমক য়েংলৈ করনা ।
থা-বু ওদ্বী থাওমফী
চৎনা লোন্দা থাওম্কী,
অনাসীগী তুনবা
মপা লৈতনা করবা ।।

কদাইদবু মাঙখ্রবা ?
করম্ তোনা লোইখ্রবা ?
মতম্ অমগী চৎনবী
হৌজিক্তনা লেম্নদবী ।
হায়রম তাক্লম্দনা মাঙলবী
মদোম্ মদোম্ মুৎচবী ।

অহুবু হল্লক্‌খিনি সোয়দনা

কুম্‌গী নোংমা হল্লক্‌পগুম্মা ।

অকক নবী লৈতে চংনবীদি

তানরম্বা লৈতে মসিদি

মতম্‌ মতম্‌গী ঈহৌনি

খঙহৌদনা লাকপনি ।

মানবনা চংনবীনি

মহুতনা কনবীনি ।

খোংদাই সেংসি মসেংসি

তাইসল্লসি মতাইরসি ॥

-X-

খোঙ্. গাড়ী

ক্রীং ক্রীং খীক্ত্থনা
মীবু হুন্দোকুত্ত হায়থুনা
বল্গা হোৎলি খোঙ্ না
চেঙ্গি কল্গা খোঙ্.গাডীনা
খ্বাইদগী মাঙ্.থাগে তানন্নি
ওস্থোক্লা কল্গা হোৎনন্নি
স্বর থবেৎ থবেৎ হোন্দুনা
হুমাং লীশ্লিক্. কাংথুনা ॥

ভাইবঙ্. কৈথেল্.কাক্লগে
অহানবা পোকম্. তাল্লুগে,
মীনা য়োন্‌ব্রিঙ্গে য়োলহৌনি
শেন্দো. বল্গা তাল্লুনি।
য়াবমথৈ হাপ্.চিন্‌গে
খোঙ্.গাডীবু পুহনগে।
ঐগী মুংশিববা শাদোংনি
অন্নাবা মত্তমগী মল্লপনি ॥

লম্বী লম্.দাংদি কত্তেদা
অকুৎ–অতোঙ্ নাইব্রেদা,
হৈনা শিংনা থোক্লবদি
লম্.দাংসিবু খঙ্.ব্রবদি,

করা কৈখেল য়েথ্রিটে
সরুকী চৈঙোংবু খাঙলিটে
পুন্সি চুমিং তাখিনি
শেঙোং শেঙেপ্ মাঙখিনি ॥

খোঙ্গাঙ্গীনা চেৎলি
ইদোম্ ইদোম্ তেংবান্বদি
মীগি মতেং পাম্লদে
হোৎনমনবু কাউজদে ।
নিঙ্তম্বগী মুঙাইবা
মীগী মীবা তাদবা
হোৎনরক্পদা পুন্সি লমশাং
শক্থঙলকখি অবানাগী মতাঙ্ ॥

লুনা তৌজৈ ঐনা
কানমন্ এশক খঙনা,
মাই কৌবতা হায়রবসু
যোৎনা শাবা ওইরবসু ।
তৌবীনলবু খঙ্রবদি
অচুম্বা য়ানিঙ্রবদি
চিঙ্গিবনি ঐহাক্তি
ওইকদেকো নসিমক্তি ॥

খোঙ্গাঙ্গীনা ঐবু হায়রি
তাইবং বাকম্ কয়া লৈরি ।

ঐদি লোন্ খোক্তবনি
নঙ্গী ৱানিঙ্বা ইক্কবনি
নঙ্বা খোয়গা ঐনা চেৎবনি
ঈনিঙ্ ঈথা তম্দবনি ।
নঙগী হোৎনমম্বা য়া লৈরে
অসিবু হেক্তা লৈবমদরে ॥

নঙনা খোনবনা ঐদি য়ারে
ইশা পুনমক মাঙ্কলে
কাঙথা খাঙ্গুম তারে
কানকম্ খঙ্দনা লৈরে ।
ঈ উক্ ঈগুন্ লৈনা-লৈনা
নঙনা ঐবু খোঙ্হইদবনা ॥

হৌগৎলু লাক্ত তনগন্নু
অয়া অনা থিগন্নু ।
তাইবঙ লমী শকুখঙ্ঙসি
মীয়াম কুম্মি য়েঙ্ঙুসি ।
ক্রৌ ক্রা খিঙ্ঙুসি
মীয়ামগী মমাঙ্ থাক্কসি ।
তাইবঙ্ চিঙ্গাবু তাল্লুসি
মীগী খোঙ্দা চঙ্হাইসি ॥

নিঙ্তম্বগী মহাউদি
করি হায়নি এসিদি,

খোঙ্‌উপ্‌ শেম্বা নীংথৌ

মঙ্গীং [illegible] নম্বদো

শেন্‌কম্‌ পরা তাঙ্কা

মনিঙ্‌ লুম্বা অমম্‌লগা

মকুম্‌ মায়কৈ অন্‌থি

[illegible] হায়রম্মদা চৎখি ॥

খোঙ্গুমন্‌ বাংবা অতৌ অশাং

মীখা-পোন্‌বা পুক্তি লমলাং,

কয়াক্তা তোন্‌থ্রবা মাহাক্তি

বানা পুজবা তরাগী থবক্তি।

পুক্লিংগী বাবু হায়কদে

নিঙ্‌-খা তক্কদে।

লৈ'য়ঙ্‌ ফাক্‌না খাঙ্‌গনি

মপুনা হায়বতা ইনগনি ॥

মশিঙ্‌ নাইথ্রবা তাইবঙ্‌সিদা

কনাগী ফীভম্না কদিদা ?

কনানবু হেল্লিবা

কনানবু তোল্লিবা ?

অনেম্বনা বরিনো ?

অরাংবনা কৈদনো ?

নাপী মানা নেম্বরা ?

নে'মাখান মানা বাংবরা ? ॥

ফুরা দালান অরাংবা,

থাবু লামগে নিংঙবা,

নশাবু নশানা পাঞ্জিংবে
' অশি ওইথোকপি হৌখ্রক্তবে।
য়ু-হানা মাংলেম্ মিঙ্কুলাক্তা,'
থোংনৈ মুংশুইবা 'শীংগলা',
নঙ দি থক্ থক্ শীকনি
মাপ্পী ইদি লোক্কনি ॥

মাংঙি হায়বৈ হরাউদে
নেশ্মি হায়বৈ তোল্লুদে।
কনানা কৰিদা হেল্লিবা?
করম্ হায়নবু তোল্লিবা?
মুক্তাইবদি লনাইনি
অঁকি অথং লৈতবনি।
খোঙ্গাভীবু তোংঙুসি
ক্রী ক্রীং খিঙুসি ॥

—X—

মতম্গী শৈরেং

চিঠি অমা ইবিগু
মচেৎ মচেৎ শেগাইবিয়ু
অমুকন্থ শম্জন বিয়ু
অস্-ঙক্তেন্ নাইহুন্থিয়ু ।
খ্সাং-সং থংতেন্‌তেন
মথৌ তাদে মাগি মেন্
অমান্বত্তগী মথৌনি
ৱারোল মথৌ তাব্বনি ॥

চৎনবীনা লম্লুংদবা য়াওদে
ৱারেং শৈরেং থাযদে ।
মতম্না পুরক্পনি
অতুম অতুম্ য়ানবনি ।
তাঙ্গা মেঙ্গা, ৱাহৈ ৱ'তা,
তাবদা মুঙাইবা তাম্থা মতা,
দৎকার তাদে হায়নরে
মথৌ তাদে, পম্মদরে ॥

বারিনা ঈশৈ ওইরে
ঈশৈগী মেন্ য়াওদরে ।
তান্ থাবগী মথৌ তাদে
দায়ি, কোমা য়াওদে ।

ঙক্‌ইদকো চংমবী ?
কল্লিদকো য়ামবী,
বারীদা পুঙ্‌বু য়ৈম্নসি
তানবু লাপ্‌তক্‌ থম্লসি ।।

হায়নিঙ্‌বনা করিনো ?
তাক্‌নিংবনা কৈদনো ?
অপাবদি চুঙাউনরে
অইবতনা খঙবিরে ।
খঙ্‌ননবা ইম্নক্‌পরা ?
কবম্বা মপাউবু তম্বরা ?
কবম্বা মরীবু থম্লিবা
অ-ই-অপা খঙননবা ? ।।

চংনবীদি মানবিনি
মানবিনা চংনবিনি ।
কৈরে কৈমিন্নবা
য়ুংল য়ুংমিন্নবা,
খোঙ্‌থাং মাননা থাংবনি
লৌচিং অমা থক্তুনি
মতমগী শৈরেং কুহংনৈ
বাখল্‌দি চনৈ খনৈ ।।

য়ানবগা মলোইরে,
অমান্‌বতনা মকরে,

মরু পান্দবা হৈরাঙ্শুম
মরেক্ মহাউ তেন্দবশুম,
মপান থোঙ্দদি মানহন্নে
অমান্বতনা থাচংলে ।
মহুতনা চংলবে
অওই-ওইদা থিদরে ।।

লোন থোক্তবা মীওইনা
মথুং মথা হাইখনা
খঙ্ননবা হায়জরি
পুকনিঙগী থাবু তাক্চরি ।
মরোল থোকপা মীওইদি
হৈশক্ হৈরে হায়নবদি
চোইবোন্-পারোন্ লোল্লি
অপাবনা মকোক্ খোংজি ।।

ইঙাও ঙাওদনা ঙাওবা শাবা
লাউথোংবনা মহেম্বা,
থাখল দি মদোম লাক্চবনি
মনিঙ মথা তম্বনি ।
লৈরাংনা লৈকা তম্বু
মালংনা লীমি শীংপবু,
কনানস্ত হৌকদে
থাখল্দি নফু থাংদে ।।

X-

বরাক্

কনানবু নীংখোলম্বা ?
করম্বা মতমদগী চেলম্বা ?
কনাবুনু তাকুঅমদনা
খঙ্ হন্‌বনু লৈতনা,
চেল্লি বরাক্ তুরেল্ না
ঙসি ফাওবা লেপ্তনা ।
মৈহোৌবোন্দগিনা ঙসি ফাও
হুংবা লৈতনা মাগী মপাউ ॥

চীঙ্ মান্ লমদম্ কয়া,
খুথেক্ নাইবা চীঙ্ যা অময়া,
ঈথেক কয়া থাইহনা
তোরৈ কয়া শেমহনা
তারক্লি বরাক্ অম্পাক্
য়েংকপিরি অসিগুম্বা নৈপাক্
পুক্ ফবী পলেম্ গুম্
য়োক্পিক্করগে মতাগুম ॥

নঙ্গী ঈচেল্ ঈহৌদা
ঙসি ফাওবা চেল্লবপদা,
লম্দম্ কয়াবু তুংওইননা
মিংখোল্ কয়াবু লৌহনা
কাই—ঈরং—মকু হায়রুনা

ঈচেল্ শাক্ষু খাইচুনা,
চেক্লি ঙসি লেপ্তনা
মখোয়বু পাউজেবা নৈতনা ॥

অচুৈঙ মপান ফরিৈঙ
নবুক্ খম্না চেক্লিৈঙ
হয়াউ মখোন কাজখি
ঈচেৎ খোঙথাং কল্লকখী।
নঙ্গী শরুন্ হোঙক্খি
ঈরাউ ঈখোল্ নাইরকখি
নঙ্গী শাক্ষু বল্লকখি
তোর্বান্ অনিদি বিজখী ॥

নঙ্গী শাক্চাউবা শক্ওঙ্দি
তনিক্ তনিক্পা তোর্বান্দি
মপা নৈতনা কজখি
মায়খোঙ্ কয়াদা নিঙ থিখি।
বাংনা পাইবা নোংযাম্না
নঙ্গী নতোবু উরুবনা
খাক্লাউনা নোক্চখি
নোংজু ঈশৈবু শক্চখি ॥

অমুক্তনু লাক্খিনি পাউদমখি
অনৌবা কুমদ্ব ঙাইরক্খি।
"ঐদি ঈছোলমদা পাংগ্রগে
মহেরোন্ ঈচাউদা তুঙঙ্খিগে"

অসি হায়না পাম্ভৈলক্‌খি
নোংজু থাবু ঙাইরক্‌খি ।
তু-খোঙ্‌দা ল্যোৎক্লবী
ঈচেল্‌ পীক্‌না চেনজখি ।।

য়াঙ্‌গংলবী বরাক্‌তি
শক্তম্‌ ওনুথ্রে মহাক্তি
থনজরবা নৈলতে নৈদ্রেদৌনৈ
মতম মাগী ফরিঙৈ ।
খেক্লা কোয়না চেনজরি
ইঙ্‌না তপ্পা লেন্‌জরি ।
য়াবা মখোল্‌ খোক্‌চদে
হৌখিবা মতম্‌সু নিংশিংদে ।।

নঙ্‌গী তোর্বান্দা লেপ্‌তুনা
বাহং কয়াবু স্নুহনা
তিন্নকু য়েংলি ঐহাক্না
বাখল্‌ কয়াগা লোয়িননা ।
তাইবঙ্‌ মীদি কাউঙমদে
নিঙ্‌শিংবতনা চুঙাইহন্নে ।
কয়াদা রাজত্রবা ঐহাক্না
হৌখিবা পুসিন্‌ খল্লুবনা ।।

কুমগী নোংমি হঙ্কুমি
মহৌশাগী খোঙ্গাং ইন্নকুমি ।

নোংমা খঙ্‌হৌদনা হৌবুকপি
নোংচুপ্‌ মাইকৈ শিল্লকপি
মালেম্‌ শিল্লা থুংলবে
নোংজু ঈশিক চাইরবে,
হৈপাল্‌ লৈপাল্‌ তেথংলে
হানৌনা নেম্‌ নেম্‌ হৌরকলে ॥

থোদো অসে য়েংঙ্‌বদা
অনৌবা কুম্না হৌরকপদা,
বাথল্‌ পামেল্‌ নৌরক্‌খি
অনৌবা ময়োন্‌ চোঙকখি ।
বরাক্‌ নঙদি মচেল্লি
ঐশু অহুম ময়েংদি
অবা-দুখাই লৈজদে
হৌখিবা মতম্‌ থল্লদে ॥

তাইবঙ থম্মোইদি ময়াদে
হায়না তানা মইন্দে ।
হৌখিবরু থল্লদনা
থম্মোই শোক্না কপ্লুনা,
অহেম্বদা বাজরি
পুন্সি কক্পা তানরি ।
বরাক্‌ নঙ্‌দি থজদে
তাইবঙ্‌ থম্মোইগা মান্দে ॥

কলক্ কঙ্গাউ নৈজদে
নীচঙ মীখাই নাইদে
কুমগী নোংবুম্ থল্লুদে
নিংথম-খা লাকনিম্ বীকদে,
বাখল ফীত্তুপ্ নাইজদে
মুং-পান্ খাযজদে
অরা-মুজাই চৈথেংদে
তাইবঙ্ মীদি মযাদে ।।

—X—

য়েংজনিঙদে শক্তমদো

কাম্বী নঙবু খোক্লকনু
মালেমসিবু উহন্নগনু ।
য়েংজনিঙদে ঐহাক্তি
কীতে তাইবঙ্ মশক্তি ।
উকরগা পোত্থাফম্ খঙ্লোয
ঐগী তুঙ্নফম্ লৈরোয ।
অমম্বদা লৈকগে
মীৎতাঙবী শাদুনা লেনজগে ॥

য়েংজনিঙদে নবাগী মুংশি মীনোক
লাইচুরক্কনি মাগী চম্লবা খুনোক ।
উক্রবদি হল্লকপা যারোই
থম্মোইদা পোত্থাফম খঙলোই ।
অপাম্বা লাইনা চঙকনি
অহুনা হেম্না বাহনগনি ।
অবাবদা মুত্তাইবা পোকপা
ঐনা ওম্ফো'ক্লা ঙকচরকপা ॥

তিংথং পাম্বী থম্বালনি থডনা
করিগী হেকে থল্লুই ঐনা ?
থম্বাল তিংথংবু কীবরা ?
অপাম্বা মানা মহেনবরা ?
অনিসিবু কনানা হেম্বা ?

খঙ্গোই য়াহং লম্হেবা ?
শীঙেল্ পুক্নিঙ থঙফদে
ব্রহ্মা মাক্কাউ শঙ্ক্রম্দে ।

ঙক্পদগী ঙক্পা, মীওই পুক্নিঙ
মহুদগী হেবা, মুক্তা ইনিঙ ।
কনানবু থিংগনি য়াথেল্ মাবু
করিমা ওজনি মাগী শাঙ্কংপু ?
মুংশীং বুয়া কোয়পাই পাইবয়া ?
নত্তনা, হিমালয় চীঙগুয়া লেঙদবরা ?
খঙদবতনা হেয়া মুত্তাইবনি
পুকনিঙ লমদা, খঙফদবনি ।।

পোযেপক্কম লৈতবা পুক্নিঙনি
মীকুপ্পা মালেম্ শীঙ্গনি ।
শীঙেল্ পুক নিঙদি উংজানবরা ?
খোইমুগী য়াথল্না লমহেৱয়া ?
অমগা অমগা খঙনফদে
কনানা করি খঙ্গা হায়ঙম্দে ।
পুক নিঙগী খোঙচৎ লোইদেদো
অহুনা যেজনিঙদে শক্কম্দো ।।

X-

নুঙাইবা থিবা

পাইতু শাউরো পীরক্‌উ,
ঙরা লেঙ্গাউ হাপক্‌উ,
তাইবঙ কৈথেল্‌ কারগে
নুঙাইবা মাদু লৈরগে ।
নত্তম কনা মকুইরে
নুঙাইবা কংদহনা থারে ।
থাহনবা লৈকদে
পুন্সি অশুম্বা লেন্‌কদে ॥

মাপান্‌ নাইত্রবা কৈথেলনি
মীনা মশীং লাকৃতনবনি,
ঙুং ঙু, ঙুংবনি
মীয়াম খোঙ্গেল্‌ অমত্তনি ।
মীওই কাঙলুপ্‌ অনিথক্‌নি
অলৈবগা অয়োন্‌বগনি,
পোথোকতি মশীঙ মশীঙনি
অপাম্বে অপাম্বা ঙাব্‌নি ॥

মীৎযম্‌ হোংবা য়ানথনি
থগোমাই হুবগী মশক্‌নি ।
অমদি হাইগে তাকহৌ
তাইবঙ কৈথেলবু থগজহৌ,
হৈনা শিনা লৈত্রবদি

অঙ্কা—কত্তা থম্রবদি,
নম্থাক্ লাংদা্ খুজনি
তরা শেম্ মাঙজনি ।
অমুক য়াম্রবা পোৎলক্সিদা
নতোম্তা লাইবা কৈথেলসিদা
মুঙাইবা মশক থঙ্‌ঙকখো
অহল নাক্তা কমককখো ॥

অপাম্বা ফংবনা মুঙাইবরা ?
মচুতনা নঙগী লোইম্নববা ?
অপাম্বে মপান নাইবরা ?
লোয়বা থম্বা লৈবরা ?
অরাবদি মপৈ মপৈনি
নিঙ্বা কায়বম্বু শম্নুনি ।
পুনমক্সে মুঙাইবা মাবু থিবদনি,
অরাবদি, মুঙাইববু শক্থঙদবদনি ॥

অঙক্পনি মীওইবৈ পুকচেল্
মানদেকো মাগী ঈচেল
তাইবঙ কৈথেল্ ময়াযদা
মযাই কারবা মরকসিদা,
ঐনা কোযেং য়েংঙিঙৈ
রাথল মেনবু তাত্রিঙৈ,
মুংশাম্বর মপী হোলক্খি,
লাইরম শংদা হুলক্খি ॥

নুঙাইবা থিবা

পাইতু খাঙদো পীরক্‌উ
তরং লেঙাক্ত্রি হাপক্‌উ,
তাইবঙ কৈথেল্‌ কাকপগে
নুঙাইবা মাখু লৈকপগে।
নতম কনা মকুইয়ে
নুঙাইবা ফংদহনা বারে।
বাহনতা লৈকদে
পুক্নি অস্থম্মা লেন্‌কদে॥

মাপান নাইত্রবা কৈথেলনি
মীনা মশীং লাক্‌তমদবনি,
ভু, ভু, ভ,বনি
মীয়াম খোঙ্গেল অমত্তনি।
মীওই কাঙলুপ্‌ অনিথক্‌নি
অলৈবগা অয়োনবগনি,
পোথক্‌তি মশীঙ মশীঙনি
অপাম্বে অপাম্বা ঙাক্‌নি॥

মৈংখম্‌ ছোংবা য়াদবনি
খঙ্গোই হুবগী মশক্‌নি।
অনদি হাইগে তাঙজহৌ
তাইবঙ কৈথেলবু থঙজহৌ,
হৈনা শিনা লৈত্রবদি

অক্ষা— কত্তা খঙ্গবদি,
নমখাক্ লাংদা খুজনি
তরা শেখ্ মাঙজনি ।
অসুক য়ামগ্রবা পোংলকৃসিদা
নভোম্ তা লাকইবা কৈথেলসিদা
মুঙাইবা মশক্ খঙ্ঙকখো
অহল নাক্তা ফনকখো ॥

অপাম্বা যংবনা মুঙাইবরা ?
নহুতনা নঙগী লোইরবরা ?
অপাম্বে মপান্ নাইবরা ?
লোয়বা খম্বা লৈবরা ?
অরাবদি মপৈ মপৈনি
নিঙ্বা কায়বম্ শঙ্গুনি ।
পুনমক্সে মুঙাইবা মাবু থিবদনি,
অরাবদি, মুঙাইববু শক্খঙদবদনি ॥

অঙক্পনি মীওইবৈ পুকচেল্
মানদেকো মাগী ঈচেল
তাইবঙ্ কৈথেল্ ময়ায়দা
মযাই কারবা মরকসিদা,
ঐনা কোযং য়েংজিঙৈ
রাখল মেনবু তাগ্রিঙৈ,
মুংশাম্বর মণী টোলকখি
লাইরু শংদা হুলকখি ॥

পীকৄলবা থাংপোকশঙগী মনাক্তা,
বাংলবা পামেল্ ঊশাথক্তা।
পোম্বি মমা—মচা চীলোক্কে,
তরা চীঙ্গাকৄপু ইনকনৈ।
হুবাউ হুম্বাউ লেনজৈ
নোংমগী চঙ্গানা পেন্জৈ ॥

পীকৄলবা মসা থংতুনা,
মুঙাইবা ইশৈ শক্কৄনা
নোংমগী চিঙ্গাক তান্খি
ঐনা বল্লবৄনা যেঙবৄখি।

-X-

ঐনা কদাইদা ?

নোংমা শজিবুগী অনুক্তা
নোংচুপ্‌ অতিয়াগী মথক্তা
খঙাহৌদনা নিলকুখি
অথাক্‌ অরাউ য়াংেরকখি।
মালেম শিল্লুবগে মতানি
মাইকৈ পুম্বা লাঙবনি।
তাইবঙ ঐখোয়দি মিপাইজে
শক্তম্‌ অদো কৌজ্জ॥

থাম্মোই ঐগীদি তনিক্‌ তনিক্‌
চুনকপদা নোংমরিক মরিক্‌
নোংমৈ মুংশীংপু য়াংেবক্‌পরা ?
মাহন তাক্‌হন্‌গে থোরাঙবরা ?
মখে লাংবদি মালংনি
কোইপাই পাইত্তুনা পাউজন্নি।
কুম্‌গী নোং লাকএ পাউনমখি
কনাবা পানল্‌লিদা তম্মক খি॥

মাল মপাউ তাবদা
হিংঙনি হায়বৈ খল্লুবদা
বোইনাঙ লঙখি পান্নেলক্তা
পুমব্‌ তমখ্রেদো থুদক্তা

লৈহাউ চেল্লবা লৈমাইথক্তা
রাকচৌংগী উলেন মরক্তা
বানা হিংজরম্বা পানেল্লিংনা
মকা তম্খি তপ্পা তপ্পা ॥

নোংবু চূরক্লে মাইকৈশিন্না
লৈহাউ চেল্লনি সোযদনা
হানৌনা নেম্‌-নেম হোৎরনি
মাহৌশা লাইরেম্বীদি নোংচনি ।।
কুমগী নোংনা তমক্পদা
অনৌবা য়াওনবু পুবক্পদা,
লাইবক্ত থম্মোই নুঙোনখি
মঙে মঙে থলকখি ॥

হৈপাল লৈপালদি হরাউজে ।
এনা পুন্সি মাবু থনজ্জে ।
কংলবা থম্মোইদি ত্তেখংতে
পুন্সি মাদি হেঙ্গৎতে
কুম্গী মশাইত্ত থিকনদা
পুন্সিগী ত' কক্পু খল্লুনদা,
লোংমা লোংমগী কৌ'থনাম্ম
পুন্সি ময়ে, ত'ংদ্মে ।।

অপাইবা নোংবু যেংলগা,
মহৌশাগী থোদোকবু খল্লুবগা,
রাহু কথাক হংডুবদা
তইবত্ত ঐনা কদাইদা ?
— X —

চুমথাঙগী লমথাক্

মঙলান্না থল্লুই তাইবঙ্দা
কাউথোউরে তাইবঙবু, বাখল্দা ।
লম দম্ মাদি মঙ্লানগুম্
চঙকনরুরে হায়ফম থঙদবগুম্ ।
মচু তরেংকী লৈতেংনা
চুমথাঙ মানা থন্বনা ।।

কদ্দগী থন্বনো ? হংজনিঙদে,
মহৌশাগী বারোলবু ? তাজনিঙদে,
ঐনা পাম্জবদি চঙক্লবিবসিনি
ফজগ্রবা চুমথাঙদো ঐগীনি ।
অসিডনা ঐগী লাইনিঙনি
যজবতনা ঐগী বাখল্নি ॥

লৈক্সকুগে মঙ্গী লম্দন্তুদা
মাঙজথিসন্নু পুন্সি যজবগীদা,
ফজবা মাবু থিবদা,
লম্দন্ কয়া-কয়া চংপদা,
অঙাওবরা ? হায়না হঙক্খি
মংঙ মওঙ উরকখি ।।

মীংথক্পীদি মচু তরেং
তিন্নগনা মচেং মচেং,

কাইহৌদ্রি ঐবু তত্তনা
অপাম্বগী শুমহৎলা°, শাখীবিনা°,
মোমোন্ তৌবা মীনোক্কা
ফজগ্রবা শক্তন অত্তুনা ॥

তংতনা কৌরি ওন্সিন্নু
উংজানহুনা নৈোন্নি ঐহাক্সু ।
চেন্শিন্লুই অঙাংগেম খুদক্কা,
চুম্থাঙ শক্ন মন্ক্কা ।
কবিস্ন নৈরন্দ মহুদা
কোয়ে যেংলুই মথম্দুদা ॥

অস্নমা কোয়চেন চেল্লিরৈ
ফজবগী খোঙগুন লীবিঙৈ,
বখল মেনবু তাখিবম্দ
পুন্সিগী তাংদংবা নৈখিদে
চুম্থাঙগী নমথাক লাংদা
পাম্জবা মাগী ঈরাংদা ॥

ৱাহং কযাবু হঙকৃখি
অপাম্ সুংশিবু খিবক্খি ।
অনিসিগী খেন্নবা করিনো ?
করিদা নৈরিবা মরিনো ?
অপাম্বা ঙাক্তনা সুংশিবমা ?
অনি অসিবু অমত্তরা ? ॥

অপাম্বা মাদি কোযপাই পাই
পুক্নিঙ্ মাদি ইচাই—চাই
পোকেপ্কম্ খঙদবগুম মতৌই
ফজবা থুদিঙ পাম্জকই,।
ঙাকম্ অসে অমদো নত্তে,
অমা থক্তনা ওইথোক্কে ॥

মাদি ফজবতবু পাম্বনি
যজবা লোইগ্রগা মাঙ্জবনি।
অহুনা থম্মোই মাঙ্জবনি
অসিনা ফজবগী লম্চংনি।
মঙুং মপান নাইবনি
য়াথল অনি লোঙ্বনি।'

থোং—নৌরবী শিঙ্গারৈ
শীঙেল লৈনম পামঙলৈ
লৈরা পুন্সি তেলকৃপোই
থাঙ্ঙ্ থক্তা কেনগ্রাবোই।
তাইবঙ্ কানানা নিঙ্শিংবগে
হুশিকই হাযনা তেংথাবগে ? ॥

অপাম্বা মাদি উতংবীনি
ফজবা উপাল্দা তাংজবিনি।
নীঙ্থীবা পামেল না তুগ্রগা
অপাম্বা মাবু বাইগ্রগা,

নুংশিবা মাস্থ মাঙ্খিনি
খুদক্কী ওইবা শ্যাজংনি ॥

নুংশিবৈ শাজংত্তি তোঙাম্বনি
লৌনম্ লাংবু খাক্তবনি
অফা কস্তা থিরুদে
ঙসি হুয়েং নাইদে ।
নুংশিবা মাদি মীৎতাঙ্বিনি
অপাম্বগু অহুম শাগোন্নবনি ॥

আপাম নুংশি ঘায়োল্দি
থেম্বোক্নগু কুম্নিদকো মসিদি ।
নুংশিবগী হৌবক ফমদি কযানি,
ঐনা ঐতবু, হেন্না নুংশিবনি
মথংদা, ঈমশ্নি অথোইবা
খঙ নরুবনা লাক্পা, নুংশিবা ॥

ঐগী ইচা মীৎতাঙ্বা
লৈকাই মীয়ামগীনা শকৃথীবা,
যক্তদবা ওইবনা পাম্বীদবা
ঐনদি হেন্না নুংশিজবা
হাযফম খঙ্দনা পামজবা
চুম্থাঙগী নম্থাক্ চঙদবা ॥

—X—

তন্দবে্

তম্মন্‌ হো তম্মন্‌
পীশক্‌ পীক্‌পি তম্মন্‌
পীকগ্রবা নসা খপ্‌তুনা
কুকেৎ—কাযেৎ ঙ'ন্দুনা
সুক্লা মম্‌খ্রবা অহিঙসিদা
নারক শীঙলক্‌ মরক সিদা
কনাবুনো নঙনা থীরিবা ? ।।

কাউঙয়্‌গ্রবা কনাবু নিঙশিংববা,
মথোয়বু নঙ্‌না থীদরা ?
নত্রগা কেবু-লোৎপী শানবরা ?
অঙানবদা লোৎতুনা লৈফবরা ?
অমম বদা ঙানবনা নহাক্তি ।
নহাক্‌তমক উৈজ ঐহাক্তি ।।

তাইবঙ্‌ ঐদি নীংতাংএনি
লৈনা লৈনা উদবনি,
অমরবা ওইবনা থঙ্‌দবনি
নহাক্কী নপান তাংজবনি ।
পীশক পীক্‌পনি থন্দুনা
কৈদৌঙৈদসু উশিংলুবে ঐহাক্কা ॥

তাইবঙ্‌ শেম্বা-মপুদো
মীচঙ মীখাযদি নাইদো,

অমম অস্তান নাইবনা
থবাই পানবা খুদিঙ্‌না
অসুক য়ামগ্রবা পোৎশক্‌শিং
লৈন লৈন উদবশিং ॥

লৌশিং চাউবা তাইবঙ্‌দি
আহন অখোয়বনি খঙ্জদি,
পীকপ্রবা ওদনবু থওইকদে
মপান তাংডুনি খল্লুদে।
কনাস্তু মনিঙ তমদে
নপান তাংদবা যাটদে ॥

অঙকপনিংকা মপুনাগী লৈশেম
মপান তংনবগী খুংশন।
অমনা অমগা তংজনা
তংজদনা হিংবা ঙমদবা।
বনগা লৌচিঙনা পুনবনা
নানথোকপা য়াদনা লৌদবা যাও ॥

তন্দন মাবু নোক্লকহ
পীশক পীকপনি খল্লুই।
পীক্প্রবা মৈঙান পুতুনা
অমম্বা নাবক্তা পাইদুনা
খোল্লাউ পীক্‌না লাউজরি
"ঐগী ইপান্‌ তাংজবি" ॥

-X-

নোংখঙ্কা

পাইখিরে নোংমা নোংখঙ্কা
অরাংবা চৌঙগীসু মথঙ্কা
হকুথে়ংনরুরে চৌঙদোনংমারু
উরুরে নোংগী মপৈ মৈপরু।
চৌঙচেপ্তা লোংতুনা কয়া
চৌঙদানরু কুপতনসু কযা।
চৌঙগী মপান তাংজবরা ?
নত্রগা মালংদা শাইদোংজবরা ?॥

হে শৈরাংবা, উরুদনা শৈশকপা
রাখলনা খোঁজ পাইখৎপা
ঙাইখো অমুক্তা, যেংঙুখিসি
মঙগী লমদমদা পাইরুখিসি।
উগ্না ফীরুক থন্দুনা
নোংদা মমাই লোংতুনা
মাঙ্গীশা মাগী শক্‌ফমসে
ইকাই ফীরুক খুংজবসে।।

হৈশিংবা তাইবঙ মীওইনা
কিরুবা লৈতে থওইনা।
খুংশিং মারু ফাজিন্দুনা
পাইননবা শাদোং শেমহুনা

পাইরি বাংনা বাংনা
চেক্লাগী শায়োন লৌহ্নবা
চীঙয়া চীঙদোল নোংঙ্কা
অহাংবা অতিয়া মরক্তা ॥

যেংঙু খিসি লাউ হাননা
বাখলগী খোজৈ থমহৌনা,
শাদোং অসিদা তোংহ্নবা
মীহুৎথোং মপান্দা কমহৌনা ।
অসুক নিংথীগনি খল্লুদে
মহৌশাগী শক্তম উকদে ।
ইকাইখিবী মহৌশা লাইরেম্বী
লৈচিন্দা নাইথোং লোংচরম্মি ॥

য়েংঙু যেংঙু খেন্নবসে
রাখলগা খোদোকপা অনিসে
চীঙশা পরেং পরেং
পানবি খুদিংনা মতেং ।
চীঙলোন কযানা কোইশিন্দুনা
থম্বোক্লা চেকশিন্না ঙক্নুনা
লুনা চান্না থমজরি
লমদম অসিবু য়োবচরি ॥

চীঙচেপ্পা শাংলিবী লৈরাংনা
কোরৌ মশেক লংবনা

শন্দোকলি লৈনম্ থাপ্না
লম্‌হেন্‌বা মালংগী থোরাংনা ।
শীঙেল মপাউবু যোরকখি
লোকচুংগী খোইমুদা পাউজেলকখি
চীঙযাসে পুমনিন নিনথরে
খোইমু সঙ্গ্ থংলরে ॥

তইবং মিয়েংগীদি রাংমদা
খুংশেম্ লাংগীমু মাপাদা
চীংখবা চীঙজাউ নাউপোম্
মহৌশা শকহেন্নি নাইতেম
মনিং-মথা তমজবদি লমদম
তাইবঙ ঐখোযগীদি কংবযম
বরিবু হাইনা শিংথানি
বাখলদি লাম্বা যঙদবনি ।

লোনথোক্লবা নোংদা পঙজেল্লবপা
মুশি মপাউদি তেংপাবকপা
কালিদাস নঙগি মেঘদূতন
পাইবকখিবরা লমদমসিব যৌনা ?
পাহরকখো লাউ লান্দম অসিদা
চাউংলন মাপন্না কোইশিনবসিদা
য়েংহবোলাউ কুম্মৈ অসি
চাংদোন্দগী লোন্তাক্ শকহেনবিসি ॥

চংগী লৈরাং কনানা
তম্‌ য়েংজক্লই মুংশিনা

চীঙখ্রাগী খোইমু কম্ন'নম্ব
পামজরুই ওহ্নোক্লা খোইদানম্ব ।
য়েংঙু চীঙ-তম অনিমকসে
কাইনত্রিবা মহৌশাগী মরিসে ।
কনানা কনানো থংদবনি
অমনা অমবু পানজবনি ॥

উকদে থংগু'দ নহু নমথৈ
পাইখংলুবনা লৈফনা চমথৈ
পীক্লা উশিবা চৈংথাসে
নেংথক্তুনগী য়ংহনা মথাসে ।
খল্লুবা লৈতে থুদকতুনা
পাইথরকনি মিথুপ অমদা
পাইকবনা লমাজন্দি যাংহনল্লি
খোংদারদবনা লমথুংদবদি ওইহল্লি ॥

-X-

পোম্বাক্ষম

নোংমা শাগ্রকই ইমাগ্রবশিংগা
চেল্লকৃখি যুমযৌনা খংনরমলগা ।
ৱাকংলুই ইমাদা শাউনা
থেমজনবিখি ইমানা স্নুংশিনা ।
অমুকস্থ অচুমণ্ডায় চেল্লকখি
ইমাবু চম্লা খিরকখি ।
ইগা লৈখিদ কউরুরে
ইপাদা অমুক তাইনকাব ।

ইপানা কম্লা হুরুকুই
কনানা করি তৌরকই ।
ইমানবগা খংনফদ তাকলকই
ঐগী শান্তিনিংবস্থ ফরকই ।
নোংমদি ইপাস্থ লৈরমদরে
কনামতস্থ য়ুংবদা ফংদরে
কনাদা তাইনরুনি খংডুদে
ঐগী অরাবস্থ লোইদে ॥

-X-

মখোইগী থোঙাঙ্গো

য়াইশঙ মংগী শঙদি
ঐবু মচু শঙবনি ।
নংগী শঙনা চাকৃপ দি
ঐগী থম্মোই চাকপনি ।
"হরিবোল" খোল্লাউ ময়ামদা
ঐবুদি শাখিনা লাংতক্লুহবনি
নংক্পা থেংঙমনদো ঐঙাক্পা
মখোইনা ঐবুদি পংথহল্লবনি ॥

লম্বী লমজাউ থুংনা
মখে লাংখিবদো মখোইনা
ঐবু যেংলগা মখোইনা
নেকৃখিবনি বাস্তবমথৌ করেম্না ।
পংজরবা ঐগী নাপদা
বল্লা সিকখিবনি মুংশিনা
"হস্তোক্লস্ন মেল্লাদে কৈনোদা
হাকমল্লম্ব পঙমল্লি" হাইনা ॥

অম্নুম অম্নুম খোংলোইখিত্তুনা
লাইচম্না চেনবক্তুম চেনখিবনি ।
অমনা হাইরকখি শাউরম্না
"ও পঙ্জা নত্তে পাংদবনি

নৌরিডৈদা লাকচহৌ কল্লপা
কুইথরকলগা শাথিবা ভাংনি "।
মেন্দারকপদা ঐহাক্তি থাপ লপা
মখোইগী থোঙান্দা লেপশ্নি ॥

নোংমেদি চৎলুই খোরাংনা
চুমথ্রি, লাকথিবা খোনানা
হাইফম থংদবা মরম্না
ইকাই-ইকি বাংমা লান্না।
কবিগিনো থঙদে শাউনিংথি
ভাইথিবনি খোয়দৌ শাউগৎনা
মবম থঙদে—উজানথি
হাইসিবা হাইরোয়সনা থনবনা ॥

হুরাম্বগুম ইথক থক্লা ভাইবকথি
মীহুন-শাফু কল্লকথি শাদিনা।
খাঙনথিদে—খুদক অদো রাজথি
তঙ তাহনথিদে খুদাক্তো, ভাইঙ্ন্দবনা
চহি-চাশি-কযা মীকুপ অমনা
"লাকথিসন্ন থঙদনি' বাশকৃথি
ঙনিবৈ চৈনানা কনখিবনা।
যেইদংভুনা চীগোংবৈদে, খাঙকৃথি ॥

শেম-শাদকথি বাকম্ কল্লানা
অহু-অদা সোয়দনমকী মহাইগে।

মখল্লকখি চিঙনবসু অমা-অমা
"কান্নদে হাননা খঙাদাকখিগে
ঐতনা খঞ্জরম্বয়াই ওইদবতা,
পংভূবৈ শরুক মঙাইখিগে"
উংজ,নগ্নিভৈ অসুমা ইতোমতা
খংহৌদনা হুঙকখি "কম্নি হাইগগে" ॥

লৈরেঙ কাঞ্জিনখিবা লাইনাগুম
লেপমখি অচুম তপঙ-তপঙ
খাঁখল মযামদি চোয়খিবগুম
মঙলানগুম খল্লুরে তাইবঙ।
লেপল্লগা খোঙ ন্দুগা অসুমা,
হুন্নকখি করিমতা হ ইরমদনা।
চিঙল-যেংল্লনা লৈশংহৌই শাউরপ্পা
খোযদারকখি 'খোঙ ন্দো" হাইঙন্দনা।

=X=

